ꯃꯉꯥꯜ

# মঙাল

*মীওইবগী অচুম্বা লমজিং*

Vol: 2, Issue: 10,(Jul-Sep) 2011 (Rajab-Shawwal) 1432H



## য়াওফম


| | | |
|---|---|---|
| এদিটরনা করি হায়রি | —— মুফতি সলাতুর | ১ |
| কুরআন শোনবগী হৌন-লীচৎ | — অলহাজ অব্দুর রহমান | ৩ |
| অফবা ইমুং করন্না শেমগনি | —সিরাজু ীন শৈখ | ৫ |
| অল্লাহগী ফজবা মিংলেনশিং | —অজাদ কোমোল | ৭ |
| ইন্দিয়াগী অহানবা মসজিদ | — মৌলানা অব্দুল হমিদ | ৯ |
| মিসৱাক (ধর্ম্ম অমসুং বিজ্ঞ্যান্দা) | — ইকবাল শৈখ | ১০ |
| নুপীনা তলব ফংবা থবক তৌবা | – মৌলানা জলালু ীন | ১২ |
| কনাগী হক্ক কনাদা | — অয়ুব খান | ১৪ |
| চাইনাদা ইস্লাম | —— মুঃ ৰহীদুর রহমান | ১৬ |
| বিজ্ঞ্যানগী লমদা মুসলিম | —— মৌঃ অব্দুল হমিদ | ১৮ |
| রমজান থানা লাকপদা | —— মৌঃ অকমল হুইসেন | ২১ |
| ঐনা ইসলামদা করিগী চংলক্লি | — মৌঃ অব্দুল হমিদ | ২৫ |
| বাইবলদা প্রোফেৎ মুহম্মদ স.অ.ৱ. | — মুহম্মদ শাহ | ২৮ |
| উমরহগী নিয়ম | —— মৌলানা শব্বীর অহমদ | ৩০ |
| KIDZ Islamic Quiz - 5 | | ২০ |
| Answer to KIDZ Islamic Quiz - 4 (ISSUE - 9) | | ২৯ |
| ৱাহং-পাওখুম | | ৩২ |


Editor
Mufti Salatur Rahman

Joint Editor
Azad Komol

Sub Editors
Raheizuddin Shaikh ( Samu )
S.M. Shaikh

Manager
Sirajuddin Shaikh

Circulation Manager
Haji Abdul Hameed

Design & Composed by:
Electrographics Sign Pvt. Ltd.
Jogeshwari (w)
Mumbai - 400 102

Advisory Board
Mufti Siraj Ahmed Qasmi
Mufti Abdul Haleem
Mufti Abdullah
Moulana Abdul Haque
Mohd. Salim

Publisher
Islamic Research & Da'wah Centre
835, Adarsh Nagar, New Link Road,
Oshiwara, Jogeshwari (W)
Mumbai - 400 102
Tel/ Fax: (0)22-28768465
E-mail: irdcmangaal@gmail.com
www.irdc.org.in

Office and Collection Centre
Islamic Research & Da'wah Centre
Babupara Masjid Road, Babupara
Imphal, Manipur-795 001(India)
Phone: 0385-2445555
E-mail: islam.irdc@gmail.com www.irdc.org.in

Printed at:
Dhote Offset Technokrafts Pvt. Ltd.
29, Satyam, Subhash Road, Jogeshwari (E)
Mumbai-400060

এদিটরনা করি হায়রি

# চাওখৎ-খোঙচৎ

ফিভম ফগৎপা, চাওখৎপা তাইবং মীওইবগী মথৌ তারবা অমনি। ধর্ম্ম অমদি কলচরগী খেন্নবা লৈতনা খুদিংমক্না দিভলপমেন্টকী হিরমদা নৈনরি অমদি চাওখৎপা পান্নরি। ইস্লামনা পীবা ৱাহন্থোক্তা চাওখৎপা হায়বসি "শান্তি লৈহনবা, মায় পাক্নবা হোৎনবা, ফজহনবা, জসতিস, হারমোনিমগী বেলেন্স লৈহনবা" অদুনি। হাকচাং, ৱাখল অমদি থৱায় পুন্না চাওখৎমিন্নবসি তঙাইফদ্রবা ৱাফম্নি। অল্লাহনা হায় "হায়য়ু: লাক্লো নখোয়গী মপুনা নখোয়দা তৌহৈদে হায়বশিংদু ঐ হায়গে, নপা-নমাদা অফবা তৌ, লায়রা তানগনি খনবদগী নখোয়গী নচাশিংবু হাৎকনু, নখোয়বুসু, মখোয়বুসু ঐখোয়না চিজ্জাক পীবনি, ইকায় খঙদবা থবকশিংগী মনাক ফাওবা নকশিল্লুগনু অফোংবদা, অরোনবদা, চপ-চাবা মরম লৈতনা থৱায় অমবু হাৎকনু মদুদি অল্লাহনা থিংখ্রবনি, পুন্নমকসি অল্লাহনা পাউতাক পীনবিরি নখোয়না খঙননবা। য়তীমশিংগী লন-থুমদা, মখোয়না মীওই মপুংফাদ্রিফাওবা, ফিভম ফগৎহনবগী ৱাখল নত্তনা খূৎ চংগনু, নাপ লৌবা অমদি খল ওনবদা মপুং ফানা ফলা লৌ অমদি ওল্লু, কনাদসু পুঙল্লোইদবা মপোৎ ঐখোয়না থোংগৎখিদে, ৱা হায়বদা অচুম্বতা ঙাঙবিয়ু মরী-মতা ওইজরবসু, অল্লাহদা পীখিবা ৱারেপতি মপুং ফানা পাংথোকউ, নখোয়না তোয়না নিংশিংনা মসি খুদিংমক অসি অল্লাহনা য়াথংনবিরিবনি।" (কুরআন ৬: ১৫১-১৫২)

চাওখৎপা অমদি ৱাংখৎপা ইস্লাম্না পাল্লিবা পান্দমনি, থৌওংনি। মী খুদিং অমমমত অমদি ইপুন পুন্না চাওখৎপা ইস্লামগী অপাম্বনি। অল্লাহনা পীবিরকখিবা পাঙ্গল, শক্তি, থৌনা অমদি লৌশিং পুথোক্তুনা দিল্লপ্ত তৌবা তাই। মসি দায়ত্য অমনি, পুন্নমক্কীনি অমখক্কী নত্তে। ফগৎলকপদা চাওখৎলকপদা মী খুদিংমক্না দায়ত পুগদবনি। ইস্লামনা পীবা ৱাহন্থোক্তা, দিবলপমেন্ট হায়বদি মচেৎ তাদবা, অনেম-অৱাং লৈতবা, অচাল মীরাল নাইদবা, অথিবা-ফজদবা য়াওদবা চিং লেল্লবা শান্তি লৈরবা মাই পাক্নবা অদুনি। থৱায়, হকচাং, ৱাখল, জ্ঞান ইপুন পুন্না চাওখৎমিন্নবা অমা চংই। হকচাংতা ফবা ৱাখলনা মোৎপা, ৱাখলতা শেংবা থম্মোয়না মকপা, মওং অসিদা চাওখৎপা হায়বা য়াদ্রি। অপুনবগী ফিভমদা খল মান্নবা অমা মথৌ তারি। মপুং ফাবা থজরোল, ফজরবা লমচৎ-শাজৎকা লোয়ননা, লৈঙাকলোন্দা, চৎনরোলদা, কলচরদা তাইবং পুন্সিগী চংগদবা পোৎচংশিংদা, পুন্নমক্তা চাওখৎপা অমা ইস্লাম্না পাম্মি। Material নত্রগা Economic growth তা Moral অমসুং Spiritual values য়াওদ্রবা, মদু সমস্যা অমনি অৱাবনি ফিভম কায়থরক্লিবনি। খল মান্ননা চাওখৎলকপদা, ইস্লামগী মতুং ইন্না মচল মঙা থম্বা য়াই,

(1) Tazkiyah: spiritual development (2) Tarbiyah: Moral development (3) Tarmiyah: Economic & Social development
(4) Tatawwaur: Educational & cultural development (5) Taqaddum: Civilizational development

তজকিয়হ:- দিবলপমেন্টকী য়াম্না মরূ ওইরবা শরুক অমনি। থাজরোলগী ৱাফম্নি, ঈমানগী তাঙ্কক্লি, থম্মোয়বু শেংদোকচনবা পাম্বেনি। নুংগী চাওখৎপা য়াওদনা মপান্থোংদা ফগৎলকপা ওইথোক্তবনি। অফবা লৌরোক ফংজনবা লৌমী অমনা অহানবদা লৌফমবু শেংদোকচবনি, ফরতিলাইজর হাপ্তুনা মরূ-মরাং হুনজবনি, দরকার লৈবা ঈশিং পীবিরগা অকায়বা পীরক্কদবা মনা-মশিংবুসু ফোয়দোকই, শেংদোকই। ইস্লামনা ঐখোয়গী পাপ পুম্বা ফত্তবগী হৈনবীশিং থাদোক্লগা ৱুজূনা, জিকরনা, নমাজনা, রোজানা, সদকানা, জকাৎনা মচু ফাৎপা পাম্মী। জ্ঞ্যান-লৌশিং হেনগৎহনবা তাই। অফবা থৌদাশিং য়ুম-য়ুমদা, সমাজদা শেমগৎপা লৈহনবা তঙাই ফদ্রি। লায়না চেন্দবা চপ-চানা ফরবা ফিভম অমা তপ্না-তপ্না উরক্কনি, অসুন্না দিভলপ্ত উবা ফংগনি।

তরবিয়হ:- ৱাহৈগী ওইবা অর্থদা থাঙ্গৎপা করিগুম্বা অমবু থাদুনা মপুং-মরৈ ফাহনবা, হৌগৎহনবা হায়বনি। মহৈ-মশিংগা তম্বগা নক্নবা মরী লৈনবা ৱাহৈনি। মহৈ তম্বীবা-তালীমগা পুন্না তোয়না শিজিন্নগনবা ৱাহৈনি। মহৈ-মশিংগা লোয়ননা লমচৎ ব্যাভার দিভলপ্ত তৌদবা য়াদবনি। নোলেজ খক্না মী অমবু Save তৌদে, মফম চানা নোলেজবু শিজিন্নবদুনি মথৌ তারিবসি। পীক্লিবা অঙাংশিংবু ফজবা লমচৎকা লোয়ননা য়োকখৎলকপা তাই। অঙাংখক্কী ৱাফম নত্রি অহলগীসু তরবিয়হ মথৌ তাই। য়াম্না তোয়না নিংশিংবা চংই অমদি লমচৎ নাইবা অমদি মমল লৈবা পুন্সিরোল অমগীদমক লমজিং অমা মথৌ তাই।

তরমিয়হ:- চাওখৎ খোঙচৎ অমদি ৱাংখৎপদা তপ্না-তপ্না চংশিনবা খোঙথাং অমনি। চাওখৎপা হায়মসিমক্তবু খুদক্তা অমুক্তদা ওইথোক্তবা অমনি। য়াম্না নুংশিনা, চেকশিন্না য়োকখৎলকপা অমদি শেগৎ-শাগৎলকপা অমা চংই। শেল-থুম অমদি সমাজবু ফগৎহনবা অমদি শেমগৎপগা মরী লৈনবা ৱাহৈ অমনি। চাওখৎ-খোঙচত্তা, ইস্লামনা কৈদৌনুংদা শেল-থুমগী ফিভমবু নাথৈরগা থমখিবা লৈত্রি। Economic Tanmiyah, সমাজ অমগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসি শেল-থুমগী পাম্বৈশিং ফগৎনবা হোৎনবা তারকই, লায়রবা কোকহনবা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা, ফ্রি-ইন্টরপ্রাইজ অমদি খুদোংচাবা কয়া ফংহনবা, পুন্নমক চংদ-য়াদ্রবা মচলশিংনি। Social Tanmiyah হায়রগদি নুংশি-চান্নবা ইমুংশিং শেমগৎপা, কৈরোল-লৈকায়বু চেকশিন্না য়েংশিনবিবা অমসুং শক-চু খেন্নবা কয়াবু পুকচেল-খোইজেল তিন্ননা শান্তিগা লোয়ননা লৈমিন্ননবা হোৎনবা। অফবা লৈঙাক-শাসন অমা দিভলপ্ত তৌবা তাই, মসিনা দিবলপমেন্টকী অখন্নবা পনখৈ অমনি। মসিনা কোনশিল্লি সমাজ অমগী লো এন্ড ওর্দরদা, ইক্বিলিটিদা, কনসলটেশনদা দিভলপমেন্ট পুরকপবু।

ততৌৱুর: তাঙ্কক অমদগী অতোপ্পা তাঙ্কক অমদা চৎনা-খোঙচৎ অমনি। "চাওখৎপগীসু তাঙ্কক কয়া লৈগনি। ঐখোয়না লৈরিবা লেভেল অদুদগী হেন্না ফব লেভেল অমদা কাখৎলকপা তঙাই ফদে। ইল্মদা, চৎনরোলদা ইস্লামিক দিবলপমেন্টকী মখাদা লৈবা সমাজ অমনা অসুম অসুম ফিভম ফগৎহনবা তঙাই ফদে। ঐগী থাজরোল বাখল লৌশিংগী চাং অসুম অসুম ৱাংখৎলকফম থোকই। অল্লাহগী অঙকপা খূৎশেম অমদি খুদম পান্দমশিং মফম চানা-চানা লৌশিনবা তঙাই ফদে। মদুনা লৈরিবা পুন্সি মরেলদা অহোংবা অমা পুরক্তুনা খুন্নাই অমগী ঈমান অমসুং অমলদা খুমাং চাওশিন্নবা চপ চানা হোৎনবা তাই। খোঙচৎ অসিগী মতুং ইন্না ঐখোয়গী ঙসিদগীনা হয়েংনা, আখিরতনা দুনয়াদগী হেন্না ফফম থোকই অমদি চাওখৎফম থোকই। মসিমক ওইফম থোকপনি মুস্লিম অমগী থৌদা, মিশন অমদি ভিজন।

তক ূম:- মসি সমাজ অমগী অপুনবগী চাওখৎ খোঙচৎ অমনি। ঐখোয়না হোৎনজদৌরিবা পুম্বগী পন্থুংনি। ঐখোয়গী য়ুমশিং, মসজিদশিং, মহৈশংশিং, মহৈকোলশিং, বাজারশিং, ফেক্ট্রীশিং, বেঙ্কশিং, কমপনিশিং, কোর্টশিং, পারলিয়ামেন্তশিং, পুলিস অমসুং মিলিতরি ফোর্সশিং পুন্নমক্না ঐখোয়বু ইশুপ-শুপ্পা চাওখৎ মাইকৈ অমদা লমজিংহনবা তঙাইফদে। অপুনবগী দায়ত্ব অমনি, য়ুমদা লৈবা মপা-মমাশিং, মসজিদশিংগী ইমামশিং, মহৈশঙশিংগী তম্বীরোইশিং, মার্কেতকী কারবারৱালাশিং, ফেক্তরিগী শিন্মীশিং, কোর্টকী জজশিং, শহরগী পুলিসশিং, লান্মী তেঙ্গোলশিং, লৈঙাকলোয়শিং চাওখৎখোংথাংদা পুন্নমক্কী দায়ত্বা লৈ।

—এদিটর



# কুরআন শোনবগী হৌন-লীচৎ

Alhaj Abdur Rahman
(Rtd. IPS), Diploma Urdu & Arabic

অল্লাহ মপু অচৌবনা য়াবীনবা অমসুং সৱাবকী অনিংবদা কুরআনবু থম্মোয় শেংনা, চুন্না, তপ্না অমসুং নুংশিবা খোজ্জেলদা শোনবা ইস্লামী হৌন-লীচৎশিংগী মনুংদা অথোইবনি।

অল্লাহ সুবহানহু ৱতআলানা হায়: "অমসুং নিংথিবা খোজ্জেলদা তপন-তপনা কুরআন শোল্লু" ( হরাও-হরাওনা)। - (কুরআন - ৭৩:৪)

অল্লাহগী রসূলনা (স্ব:) হায়: "নখোয়গী মনুংদা খাইদগী ফবা মীদি কুরআনবু তমলিবা, অমসুং তম্বীরিবা মখোয়শিং অদুনি।

১) কুরআন শোনবদা পুকচেল শেংবা, অশেংবা নিয়ৎ মথৌ তাই। মরমদি মসিসু মপুনা য়াবিনবা অমসুং মঙোন্দগী মনা ফংনবা ইবাদত্ অমনি। মীনা তানবা, ঐদি হৈরে হায়নবা, ময়েক চৎলে হায়নবা অসিনচিংবা পুকচেল শেংদবগী খূৎশোল শোল্লোয়দবনি। অল্লাহগী রসূলনা অসিগুন্না শোনবা মীওই মৈদা লংশিনগনি হায়রি। (মুস্লিম শরীফ :১৯০৫)

২) কুরআন শোনবদা মসিনা তম্বীবা শরীঅৎনা য়াই হায়বশিংদা য়াবা অমসুং য়াদে হায়বশিংদা অথিংবা থম্বগী ৱাখল থমগদবনি। (মুস্লিম শরীফ ১৯০৫)

৩) চিনফা লৈখ্রবা কুরআনগী সুরাশিং অমসুং আয়াৎশিং কাওদনবা তোয়না অমসুং তত্তনা কুরআন শোনগদবনি মরমদি মসি তোয়না কাওগল্লি। (বুখারী ৫০৩১, ৫০৩৩, মুস্লিম ৭৮৯)

৪) ফাখিবা কুরআনগী শরুক খরা ঐনা কাওখ্রে হায়ফদে মরমদি মদু থৌশাদবগীনি। মদুগী মহুত্তা ঐবু কাওহনখ্রে হায়গদবনি মরমদি মদু তত্তনা হৌথদবননি। (বুখারী ৫০৩১,৫০৩৩, মুস্লিম ৭৮৮, ৭৯০)

(৫) কুরআন শোনবদা মদুগী অর্থদা, মদুনা তম্বীবদা মদুগী পান্দমদা অমসুং মদুগী জ্ঞানদা মুন্না খন্থগদবনি। মসিদগী ঈমান মপুং ফাহল্লি, মপুগী গুণশিংবুসু নিংশিংহল্লি। কুরআনগী ৪:৮২, ৩৮:২৯ দা মসিগী মতাংদা পল্লি।

৬) হকচাং শেংদোকলগতা কুরআন শোক্কদবনি। অল্লাহ সুবহানহূ তআলানা হায়: "অশেংবা মীওইশিং নত্তনা মদু (অল্লাহগী লাইরিক) শোক্কনু। (কুরআন ৫৬:৭৯) অল্লাহগী রসূল (স্ব:) না হায়বিরম্মী, "অমসুং মদুদি অশেংবা মী নত্তনা কনানসু কুরআন শোক্কনু"। (মুঅত্তা ৪৬৮)

ফুরিৎ খাওদা কুরআন পুবা য়ারবসু অমাংশং মনুংদদি পুশিল্লোয়দবনি, মফম চাবা অমদা হান্না থনমগদবনি অদুবু মাংখিনি চিংনরবদি করিসু কাইদে মরমদি মসিগী উজর লৈ। অমাংবা হকচাংনা শোকহন্দনা ফীগী মতেং কুরআন পুবা নম্রগা থাংবা য়াই।

৭) চাওনা মাংবা নম্রগা মোৎপগী ফিভমদা হায়বদি ফমদিন্নবনচিংবদা ইরুজদ্রিমখৈ কুরআন শোল্লোয়দবনি অমসুং পাইসু পাইরোইদবনি। হজরত্ অলীনা (র) অল্লাহগী রসুল (স্ব:) গী হদীস অমা পাউদম্বীরি মদুদি অল্লাহগী রসূল (স্ব:)না হকচাং মুবারক চাওনা মাংদ্রিবমখৈ মহাক্না ঐখোয়দা কুরআন তাহল্লি।

অব্দুল্লাহ ইব্নে অব্বাস (র:)না অল্লাহগী রসূল (স্ব:) গী হদীস অমা পাউদম্বীরি মদুদি: " তুম্লুরগা মিকপ

থোরকপদা হৌগৎলগা ফম্মী অমসুং মখূৎ মুবারকনা মাই তৈথোক্লগা সুরহ অল-ইমরানগী অরোইবা আয়াৎ তরা চিন্ ।দগী চিনহাইনা শোল্লি, মতুংদা ফিখল মরুমদা চংলগা ৱূজূ ফজনা তৌই।

হদীস অসিগী মতুং ইন্না ৱূজূ পিক্লা মাংলুরবা মতুংদা (খুদম ওইনা তুল্লুরবা মতুং, নুংশিৎ খায়রবা মতুং, মাংলুরবা নল্রগা ঈশিং খাইরবা মতুং) চিন্ ।দগী চিনহাইনা কুরআন শোনবা য়াই হায়বা অসিনি। The Permanent Council for Scientific Researches (Saudi Arabia) Fatwa 8859 গী মতুং ইন্না চাওনা মাংবা ওইরবসু অমসুং পিক্লা মাংবা ওইরবসু হকচাং শেংহন্দ্রিমখৈ কনা অমত্তনা কুরআন পাইরগা শোল্লোয়দবনি।

ৱাফম অমনা কুরআন চিন্ ।দগী চিনহাইনা শোনবগা মাংদা খিল্লগা শোনবগা সৱাব করম্বনা চাওই হায়বা অসিনি। আলিমশিংগী মত খেন্নৈ। খরনা চিন্ ।দগী শোনবনা হেন্না ফৈ হায়বা অসিনি। মশিং য়াম্বা আলিমসিংগী মত্তা মাংদা খিল্লগা শোনবনা ফৈ হায়বা অসিনি মরমদি মদুনা হেন্না চুমহল্লি অমসুং মিৎনা উবগী সৱাবসু ফংই। অহুমশুবা আলিম কাংবুগী মত মতুং ইন্না মথক্কী মত অনিগী ময়াই ওইনা চৎলি। ইব্নে কসীরনা হায়রম্মী মদুদি ৱাফম অসি নোল্লুকপা অমসুং থম্মোয়না পামশনবদা ৱামফশিং অসি চিনফানা শোনবদা হেন্না ফংবা ঙল্লবদি চিনফা শোনবনা হেন্না ফৈ, করিগুম্বা মাংদা খিল্লগা শোনবদা হেন্না ফংবদা ঙল্লবদি খিল্লগা শোনবনা হেন্না ফৈ। ইব্নে অল-জৌজীগী মত মতুং ইন্না কুরআনগী কোপী অমা ইনাক্তা লৈরবদি য়ামদ্রবদা নুংতিগী খরতা ওইরসু মাংদা খিল্লগা শোনগদবনি নল্রবদি থৌ শাদনা হুন্দোক্লগা উফুন চাহনবা তাগনি।

৯) মশা মাংলিবী নুপী নল্রগা অঙাং পোকপা মতুং ঈ থোকপা লোইদবা নুপীনা কুরআন শোনবা য়াৱা য়াদৱা হায়বা ৱাফম অসিনি। মসি লেপ্পরবা ৱাফন্নি মদুদি অসিগুম্বা মখলগী নুপী অনি অসিনা কুরআন শোল্লোয়দবনি অমসুং পাইরোইদবনি।

১০) কুরআন শোন্দ্রিঙৈ মমাংদা মিস্বাক শিজিন্নরগা চিন-য়া শেংদোকপা অফবা হৌন-লীচৎনি মরমদি মসিনা অল্লাহগী ৱাহৈবু ইকাই খুন্নবা অমসুং লুনা নিংবা তাকই। অল্লাহগী রসুল (স্বঃ) না নুমীদাংগী মতমদা তহজজুদ নমাজগীদমক হৌগৎপদা মহাক্কী চিন-য়া অথোইবা অস-সিৱাক শিজিন্নরগা শেংদোকই। (বুখারী-১১৩৬, মুস্লিম-২৫৫, অহমদ-২২৮০২, অবূ দাবূদ-৫৫, ইব্নে মাজহ-২৮৬)

১১) কুরআন শোল্লমদাইদা অউজুবিল্লাহ অমসুং বিসমিল্লাহ শোনবা সুন্নৎনিঃ "মরম অসিনা নহাক্লা কুরআন শোন্নিংবা মতমদা তাম্থোকখ্রবা শৈতানদগী ঙাকথোক্লবা অল্লাহদা চংজৌ"। -(কুরআন ১৬:৯৮) "অল্লাহগী রসূল (স্বঃ) না নমাজ লেপ্লবা মতুংদা কিরাৎ শোন্দ্রিঙৈদা অউজুবিল্লাহ হান্না শোল্লি।" (অবূ দাৱূদ)

১২) কুরআন শোনবদা স্বর ময়েক খরদি শাংতক্লা চিংবা য়াই।

হজরৎ অনস (রঃ) না অল্লাহগী রসূল (স্বঃ) দা কুরআন শোনবগী মতাংদা হঙ্গৎপদা হুজূর ইবুংঙো (স্বঃ) মহাক্লা হায়খি, "মসি শাংনা চিংউ"। খুদম ওইনা বিসমিল্লাহির-রহমানির-রহীম হায়বদা মহাক্লা বিসমিল্লা শাংনা চিংখি, অর-রহমান শাংনা চিংখি, অর-রহীম শাংনা চিংখি। (বুখারী-৫০৪৫)

১৩) কুরআন শোনবদা খোজ্জেল ফজহনবা য়াই অদুবু ঈশৈ শকপগুম্না শোনবদি অথিংবা লৈ।

অল্লাহগী রসূল (স্বঃ) না হায়বিরম্মীঃ "অল্লাহনা তাখিবদা অল্লাহগী রসূলনা শোনবা কুরআনগুম্বা পোৎ অমত্তা তাখিদ্রি"। (বুখারী ৫০২৩)

শৈখ তকিয়ু ্দীননা হায়ঃ কুরআন শোনবদা নুংশিবা খোল্লৈদা ঈশৈ নোংমাইগুম শোনবা বিদঅৎনি। (দীন অনৌবনি) অমসুং পামদে। মসিগী য়াথং অসি ইমামশিংনা তশেংনা শৌগৎলি। ইমাম মালিক, ইমাম শাফী, ইমাম অহমদ বিন হম্বলনচিংবা অতৈ ইমামশিংসু।

মথং-মথং.......





# অফবা ইমুং করন্না শেমগনি

**(৮ শুবা শরুক)**

হান্নগী মখা.....

## য়ুম অমগী পুন্সি মরেল

—সিরাজু ীন শৈখ

**য়ুমগী থবকক্তা মতেং পাংমিন্নবা অমসুং সেবাঃ**

পুকচেল তিন্নবা অমদি অপুনবগী পাঙ্গল হায়বসি অমনা অমগী মতেং পাংমিন্নরগা ফংই। মসিনা নুংশি-চান্নবা পুক্নিংগী শান্তি ফংই। খাঙ্কদ্রগী চাওবা মী অমা ওইনা অল্লাহগী রসুলগী পুন্সি মরেল ঐখোয়গীদমক খাঙ্কদ্রগী ফজবা খুদম অমনি। আইসা রদিয়াল্লাহু অনহাদা অল্লাহগী রসুলনা (স.অ.ৱ.) গী মতাংদা হংবদা মহাক্না খুমলম্মী: ''মহাক অসি মীওইবা অতৈগুন্না মহাকসু চপ মান্নৈ, মশাগী ফী শেগাইবা ফোৎচরম্মী, মশানা শঙ্গোম শুমজরম্মী অমসুং মশানা চান-থরুবা শেমজরম্মী'' -(অহমদ) অতোপ্পা হদিস অমদা অসুন্না হায়রি: ''মহাক মশানা ইমুং-মনুং পুন্নমক্কী সেবা তৌরম্মী অদুবু নমাজ মতম হেক ওইরকপদা নমাজরোমদা ওনশিল্লম্মি। (বুখারি)

ইসলামদা মেহমান (অতিথি) গী সেবাগী থবক অসি য়াম্না মতিক-মগুন চাওই। পুকচেল শেংনা লৈজবা মখৈ লিকশিনদনা মেহমানগী পেনখিনবা শেবা তৌবা য়াম্না চাওবা জন্নতকী মনা মথুম পিবিগনি হায়না তাকপি অমসুং মসি হিংলিঙৈ পুন্সিদসু মাল-চাংদা থোয়দোক হেন্দোক্না বরকত পিবি। অল্লাহনা কুরআনদা হায়রি: ''ইব্রাহিম অলৈহিস সলামগী মেহমান অনিগী ৱারিদু নখোয় তারবা নত্রা? মহাক্না চংলকপদা সলাম তৌরম্মী''। ইব্রাহিম অলৈহিস -সলামনা পাওখুমলম্মী: ''শান্তি ফংহনবিসনু'' অমসুং হায়রম্মী ''নহাক মশক খঙদবা মীশকনি''। অদুগা য়ুমলোমদা ওনসিনদুনা অয়াইবা শা অমা পুথোরকলগা মেহমানগী মাংদা থমলম্মী। অদুগা হায়রম্মী : ''মসি অদোম চাবিরোয়দ্রা''? (কুরআন-৫১:২৪-২৭) ঐখোয়না য়েংবা য়াই মদুদি ইব্রাহিম অলৈহসলামগী সেবাদা অপনবা লৈখিদে, করি পিজগনি অমসুং করি চানিংগনি নত্রগা করি পিজগনি অমসুং করি চানিংলমগনি হংবা, খন্থবা তৌদে। খুদক্তা অরৈবনা সেবা তৌরম্মী।

অল্লাহগী রসুল স.অ.ৱ. না হায়বিরম্মী: ''কনাগুম্বনা অল্লাহ অমসুং কয়ামৎকী নুমীত্তা ইমান পুরকলবদি মহাক মেহমানবু ফজনা সেবা তৌগদবনি। মেহমান্দা খাঙ্কদ্রগী অহেনবা চান-থকনবা পিগদবনি অমসুং নুমিৎ হুমনি ফাওবা লৈহনগদবনি। অদুদ্রগী শাংথনা লৈরবদি মদুবু সদকা ওইনা লৌবিগনি। অদুগা মেহমান অমনসু য়ুম্বু অদু ৱাবা ফিভম উরবদি শাংথনা লৈশিল্লোয়দবনি''। (বুখারি)

**ফীজেৎ-চাকচেৎ অমদি লমচৎ-শাজৎঃ**

অফবা ইমুং অমা শেমনবগীদমক ইমুং অমগী মীওইশিংগী অফবা ফীজোল অমদি অফবা লমচৎ-শাজৎকী তঙাইফদবা লৈ। ইসলামদা মী অমনা খঙলিবা অফবা জ্ঞান-লৌশিং, মশানা তৌজরিবা থবকশিং অতোপ্পদা শন্দোক্রবদি মশাগী মাংজবা ওইগনি। অল্লাহনা কুরআনদা হায়রি: ''মতম চায়থরকপগী কসমনি! থাঙ্গৈ শেংবমক মীওইবা অমাঙবদা তারবনি। অদুমনদি ওইরগা নত্তে মখোয়শিং, ইমান পুরকলবা, অফবা থবকশিং তৌরিবা, অচুম্বগী মায়কৈদা কৌশিল্লিবা (দঅৱত অমসুং ইসলাহ), অমসুং অখাঙ-কনবা (সবর) ওইশি হায়না পুনশিল্লিবা'' (কুরআন: ১০৩:১-৩)। অচৌবা আলিমশিংনা হায়: ''নখোয় কৈদৌনুংদা নুঙাইবা ফংলোয় নখোয়না অতোপ্পবু নুঙাইহন্দ্রিফাওবা''। খোংবালনা কোয়শিনবা য়ুম অমা মাগী য়ুমফম কয়াম কুইনা লৈবা ঙমগনি? য়ুমফম অদু

কিনথরকপা শোয়দবনি। মরম অদুনা অকোয়বদা লৈরিবা খোংবাল অদু থোঞ্জিনবা দরকার ওই। মতৌ অসুন্না ঐগী ইশাদা অমদি ইমুংদা লৈরিবা ইসলামগী য়ুমলৈ-কৈরে অদু মপান্দা শন্দোকপা দরকার ওই, দাঙ্গৈ ওইবা দরকার ওই। মসিগীদমক ইসলামগী ওইবা ফীজোল, ফজবা লমচৎ-শাজৎ, অশেংবা মুসলিম অমগী শক্তম উৎপগা লোইননা অল্লাহগী লম্বীদা কৌশিনগদবনি। অল্লাহনা কুরআনদা হায়রি: "খাক্কদগী ফবা মীদু কনানো? অল্লাহগী মাইকৈদা কৌশিল্লিবা, অফবা থবক তৌরিবা অমসুং হায়রিবদুনি ঐ মুসলমানশিংগী মনুংদগীনি" -(কুরআন - ৪১:৩৩)।

লোয়ন-লোয়ননা লৈকাইগী ওইবা হক্কশিং পাংথোক্কদবনি মদুদি অরৈবা (ইনাকখুনবা) অমনা মাগী লৈকাইগী দরকার ওইবশিংগী ৱাখল তৌগদবনি অমসুং মতেং পাংগদবনি। অল্লাহগী রসুল স.অ.ৱ. না হায়বিরম্মী: "অদুগুম্বা মুসলমান অদু মুসলমান নত্তে, মহাক্না মবুক থন্না চারগা তুমলিবা অদুগা মাগী য়ুমথংনবদনা চরা শিৎলিবা"।

অল্লাহ তআলানা মীপুম খুদিংমকপু হিদায়ৎ (অচুম্বা লম্বী) ফংহনবিসনু লোয়ননা মীপুম খুদিংমক মশা-মশানা খঙলিবা অফবা জ্ঞ্যানশিং অমনা অমদা শন্দোকনদুনা ৱাখল্লোন অমত্তদা পুকচেল মান্নবা শান্তিগী পুন্সি লেনবা ঙমহনবিসনু।

# !! রমজান মুবারক !!

**মঙাল পাবিরিবশিংদা লাক্লিবা রমজান থাগী চাওরবা মতিক মগুনগী কান্নবা ফংনবা, মপুং ফানা অমল তৌবা ঙমনবা অল্লাহনা অপাম্বা পোকহনবিবা, পাঙ্গল থৌনা অমদি হকচাং ফনা থম্বীনবা দুআগী খুদোল তমজরি॥**

اَللَّهُمَّ اَنْتَ رَبِّي لَا إِلَهَ إِلَّا اَنْتَ خَلَقْتَنِي وَاَنَا عَبْدُكَ وَاَنَا عَلَى عَهْدِكَ
وَوَعْدِكَ مَا اَسْتَطَعْتُ اَعُوذُ بِكَ مِنْ شَرِّ مَا صَنَعْتُ اَبُوءُ لَكَ بِنِعْمَتِكَ
عَلَيَّ وَاَبُوءُ لَكَ بِذَنْبِي فَاغْفِرْ لِي فَإِنَّهُ لا يَغْفِرُ الذُّنُوبَ إِلَّا اَنْتَ

"ও অল্লাহ! নহাক ঐগী মপুনি, নহাক নত্তনা লাৎপদা মতিক চাবা কনাসু লৈতে, নহাক্না শেম্বীবনি অমসুং ঐ নহাক্কী মনাইনি অমসুং ঐনা ইনজগনি ঙম্বমখৈ ঐগী ৱাশকশিং। ঐনা তৌখিবা ফত্তবশিং কোকপিনবা হায়জরি অমসুং নঙোন্দা চংজরি ফত্তবা থবকশিংদগী। মরম অদুনা ঐনা হন্ন-হন্না হায়জরি ঐগী ইরালশিংবু কোকপিয়ু, নহাক নত্তনা কোকপিবা ঙম্বা কনাসু লৈতে।"


# অল্লাহগী ফজবা মিংলেনশিং

—অজাদ কোমোল

তাইবঙ মপুগী মিংলেন কয়ামুক লৈ; মখোয় পুন্নমক্কী অসুপ্পা, মিংলেন পুন্নমক্কী মতিক-মগুন পুরিবা মহাক্কী খাইদগী অথোয়বা ফজবদগীসু ফজবা মিংলেনদি 'অল্লাহ' নি। কনাগুম্বনা মাগী লাইনিং-লাইশোন্দা, দুআদা অর-রহমান অমসুং অর-রহীম; হায়না মিং লৌজবা তাবদা কনাগুম্বা মুসলিম নত্তবা অমখক্লা হায়খি: 'মুহম্মদ (স্ব) না মপু অমতবু নিংউ হায়দব্রা? মসিগী মীওই অসিনা মপু অনী কৌরিবসি করিগীনো'?

ৰাফম অসিগা মরি লৈননা অল্লাহ তাআলানা হজরত মুহম্মদ (স্ব:) তা মখাগী কুরআনগী অয়াৎ অসি থাবিরকখি, ''হায়য়ু: 'মহাকপু কৌজবদা, কৌজৌ মহাকপু অল্লাহ নত্ত্রগা রহমান হায়না, মহাক্কীনি ফজবা মিংলেনশিং। -(কুরআন - ১৭:১১০) অল্লাহ তাআলাগী খাইদগী ফজবা মিংলেনশিংশিদগী ঐখোয়গী পুন্সিগী ফিভম খুদিংমক্তা মহাক্কী মপাল নাইদ্রবা মতেং ফংবা ঙমগনি। অল্লাহগী মিংলেন মরিফুতরা মাপল লৈ; চাম্মদগী অমা তাবা। কনাগুম্বা অমনা মখোয়বু তম্লবদি (শোল্লবদি) জন্নত্তা চৎকনি।' - (বুখারী, মুসলিম)

মহাক্কী মিংলেনশিং অসি লমজিং লমতাক অমমমনি, পান্দম অমমমনি। মীওইবগী পুন্সিগী খোঙচত্তা অৰা-নুঙাই, লুরবা ফিভম কয়ানি। ফিভম খুদিংমক্কী মিংলেন ফংগনি। প্রমান অমদা, অশ-শহীদ (এ শাক্ষি ওইবিবা মপু ইবুংঙো) মিং লৌজবদা পুন্সিগী থবক অমল পুন্নমক্কী শাক্ষি মপু মহাক্লা ওইবিরি খংলকপদা তাইবং মীওইবা কনা অমত্তনা থাগৎপিদ্রবসু খংবিদ্রবসু মঙোনদা নিংহন্নবা লৈরোই। কনাগুম্বা অর-রহমান (এ থৌজাল হৈবা মপু) অমসুং অর-রহীম (এ নুংশিহৈবা) বু তোয়না কৌজবদা অকনবা থম্মোয়বুনা থোখহনবিবা অমসুং অথোৎপা থম্মোয়বুনা নুংশিবা থৌজালনা থলহনবীগনি। 'অল-মালিক' কী মিংলেন লৌজবদা মপু মহাক্কী মখাদা কনামত্তগী মীখা পোনদে; শুপনতংগী অল্লাহখক্কী মনাইনি খংহনবিবগা লোয়ননা মীওইবা অমগী নীঙতম্বা অমসুং হক্ক মশক খংলক্কনি। 'অল-কু ুস' (এ অশেংবা মপুংফাবা) কী মিং লৌজবদগী মাগী থম্মোয়দা অল্লাহ তাআলাগী মত্তবা, অশেংবা, মপুঙফাবা খংজরকপগা লোয়ননা মশামকসু অমকপা খুদিংদগী শেংবা অমসুং মপুঙফাবগী মায়কৈদা মায় ওনশিনহনবিরক্কনি। 'অস-সলম' (এ ইংথবা -শান্তিগী




হৌরকফম মপু) গী মিং লৌজবদা তাইবঙ পুন্সিসি মতম খরদংগী চাংয়েংগী পুন্সিনি, পুম্মনক অসি কনানা কনাগীসু নত্তে; পুন্নমক লম্মখাংগীনি, মপুগী ইবুঙোগী মফমদা ইংথবা শান্তি লৈ খংজরকপদা মাগী' থৰায়-হকচাং ইংথবগী ইরিখ খিকপীগনি। 'অল ফত্তাহ (এ হাঙদোকপীবা মপু) গী মিং লৌজবদা মহাক্কী ঈমান অমসুং ইলম, জ্ঞান-লৌশিং হাংদোকপীবা, পাকথোক-চাওথোকপীবা ফংজগনি, অসুন্না, মহাক্কী মিংলেন খুদিংমক্কী অচুম্বা হকীকৎ অদু মী অমগী মশাদা লাকপদা তাইবঙপানবগী চথরিবা মহৌশাগী অচুম্বা খংলকপগা লোয়ননা তাইবং মপুবুসু খংবা ঙমহল্লক্কনি। অল্লাহগী মিংলেনশিং অসিগী মনুংদা তাইবঙপানবগী অমদি শক উদবা তাইবংপানগী জ্ঞান-লৌশিং পুন্নমক শাগোন্নজরে, তৌইগুমসুং মদু পুম্বগী মপু কনানা ওইবা ঙমগদগে? খঙনবা হোৎনবদা অমসুং মদুবু ফোঙদোক্লবা হোৎনবগী মীওইবগী মতিক্তনা ৰাৎকনি। তশেংবদি, অসমা উল হুসনা, অল্লাহগী ফজবা মিংলেনশিংদি অরোনবা অফোঙবা জ্ঞান, লৌশিংগী, পুক্কে-লনগৈনি। মহাক্কী মিংলেন খুদিংমক্তা মহাক্কী থৌজালগী মঙালগা লোয়নৈ। অল্লাহগী মনাক য়ামনা নকচখ্রবা, মহাক্কী মরুপশিংনা মহাকপু থিবদা পুন্সি কৎথোকখ্রবশিংনা অমদি তাইবঙ পুন্সিগী থবক থৌরমদা থৌ পাংবদা মহাক্কী মিংলেনশিং লৌদুনা পুন্সিগী পাম্বৈ ওইহনখি। মহাক্কী মিংলেনশিং নিংশিংবনা পুন্সিদা থৌজাল ওইহল্লি কান্নবা কয়া ফংহল্লি। নবী করীম হজরত মুহম্মদ (স্ব:) না তুম্বা হিম্পগী মতমদা অসুন্না দুআ তৌরমই : অল্লাহুম্মা, বিসমিকা অমূতু ৰ অহয়া, নহাক্কী মিংলেন্দা ঐ হিঙগনি অমসুং শিগনি।'' (বুখারী, মুসলিম)

**অল্লাহঃ**

''থাঙৈশেংনমক, ঐ অল্লাহনি, ঐহাক নত্তনা মপু কনা লৈতে: অদুনা নিংউ ঐবু''। (কুরআন ২০:১৪) মতম পুম্বা হিঙদুনতা লৈবা, পাঙ্গল পুম্বা চেনবা, পুন্নমক

খঙবি-উবিবা, য়াম্না থৌজাল হৈবা, নুংশিহৈবা, তাইবঙপানবগী অমত্তা ঙাইরবা মপু মহাক্কী অমতা ঙাইরবা মিংলেন 'অল্লাহ'! ''হায়য়ু: মহাক অল্লাহনি, অমতনি, অল্লাহদি নুংগী ওইবনি, হায়জফন্নী পুন্নমক্কী। মহাক্না পোক্তে কনামতা অমসুং মহাকপু পোক্তে কনামতনা, মহাক্কা মান্নবা কনাসু লৈতে''। (কুরআন ১১২:১-৪) মহাক্কী ৱাংমদা মপু নল্রগা লাইরেম্বা লাইরেম্বীগী মিংদা কনাসু নিংলোয়দবনি। ''অমসুং কৌগনু লাই (মপু) কনামতা অল্লাহগা লোয়ননা: মহাক নত্তনা কনামতা লাৎপদা মতিক চাদে (লা ইলাহা ইল্লা হু) পোৎ পুন্নমক মাঙ-তাক্কনি মহাক্কী মায়থোঙ (নহাক্কী মতিক-মগুণ) নত্তনা। মহাক্কী বিচারনি, অমসুং মঙোন্দা নখোয় হঞ্জিনগনি।'' (কুরআন ২৮:৮৮)

তাইবংপানবগী পোৎ পুন্নমক অসি মহাক্কী অনিংবগী মখাদা ওইবনি। মহাক্কী মতিক ফোঙদোকপা মিংলেন কয়া লৈবা য়াই, তৌইগুম্বসুং মখোয় পুন্নমক্কী অসুম্পা মিংলেন্দি 'অল্লাহ' হায়বা মাগী অথোয়বা মিংলেনসিনি। মিংলেন অসি জাহিলিয়াহগী মতমদা অমদি অতোম্পা নবীশিংগী মতম (হিব্রু বাইবলশিং: ইঞ্জিল অমদি তৌরাৎনচিংবদশু) অদুমক মপু মহাকপু 'অল্লাহ' হায়না মিঙ্গৌনহনবীরম্লে। মহাক্তী তাইবঙপাল পুন্নমক্কী মপুনি: ''থাগৎলিবা পুন্নমক অল্লাহগীনি, মপুনি তাইবঙপান পুন্নমক্কী, থৌজালহৈবেনি, নুংশিহৈবেনি''। –(কুরআন ১:১-৩) মহাক্কী থোজালনা পুন্নমকপু কোনশিন্দুনা থমই, মহাক্কী নিংথৌ লৈবাক্কি নোংমদোল অমদি পৃথিবীসি খঙনা ওইরবসু খঙদনা ওইরবসু মহাকপু থাগত্তবা তাইবংপানসিদা কনামতা লৈতে। অশেংবনি, থাক য়াম্না ৱাংখ্রবনি মহাক্তি। মঙোন্দা চংজবা অমসুং মহাক্কী মতেংনা, মহাক্না লমজিংবা লম্বীদা চৎচবতনা মায় পাক্নবগী অমত্তা ঙাইরবা উপায়নি। মালেমসিদা ইংথবা শান্তি পুরক্নবগী ইংথবগী হৌফম, অচুম্বগী মপু মহাক্কী মিংলেন লৌবিয়ু।

__অর-রহমান__ (এ থৌজাল হৈবা মপু )

''হায়য়ু: 'মহাক্তী থৌজালহৈবেনি, মঙোন্দা ঐখোয়না থাজৈ, অমসুং মঙোন্দা ঐখোয়না আশা তৌজৈ-। (কুরআন ৬৭:২৯) 'রহমান' হায়বসি 'রহম' (থৌজাল) হায়বা ৱাহৈদগী থংথরকপা ৱাহৈনি, মীওইবগী মফমদনা অথোৎপা থম্মোয় চেনবা, অল্লাহগী মফমদনা থৌজানবীহৈবা, অচুম্বা লম্বীদা লমতাক লমজিংবীববু খংনৈ। মীওইবগী মফমদা ''ওইথোকপা' হায়বসি অল্লাহগী থৌজালনি, নুংশিৎ-নুংশা ফংদবা অমদি লৈহাও চেন্দবা গ্রাহান নল্রগা উপগ্রাহান অমগী লৈপাক্তা অহিঙবা অমনা মহৌশাগী মখা পোন্দুনা হিঙনবা হোৎনবা ওইথোক্তবনি। অহিঙবশিংগীদমক্তা মালেম পৃথিবীসিদা করি ৱাৎপগে? মহাক্না পীবিরিবা হিঙবদা দরকার ওইবশিং অসি থৌজালনি, থৌজালসি মখল য়ামই, কনাগুম্বা অমগী খোঞ্জেল নুংশিবা, থৌজালনি রহমৎনি। মীওইবসি থোয়দোক্না চুং-ফিরান চানা অল্লাহনা শেমই। ''ঐখোয়না শেমখি মীওইববু খাইদগী ফজবা মওংদা''। -(কুরআন ৯৫:৪) ফজনা শেম্বীবসি থৌজালনি।

মালেমসিদা মীওইবনা হিঙবদা তঙাইফদনা চংদবা য়াদবশিং অদুতা নত্তনা হৈরাং-লৈরাং, লৈ-শু কয়ানা মালেমসি লৈতেংই (য়েংবিয়ু ১৬:১৩)। তোঙান তোঙানবা অইং-অশা অমসুং ঋতুশিংনা মালেমগী শকফম হোংহল্লি। ''অমসুং মহাক্নি নোং তাহল্লিবা মখোয়না (মীশিংনা) আশা লৈস্রবা (মালেম লৈকংলা ওইরবা) মতুংদা অমসুং চায়থোকই মহাক্কী থৌজাল (মালেম পুম্বদা) অমসুং মহাক্তী ৱালি (তেঙবাংবিবা, ঙাকপী-শেনবীবা ইবুঙো) নি, থাগৎপদা মতিক চাবনি''।- (কুরআন ৪২:২৮) ঐখোয়না পুক্নিং থমলিবা, অনিংবা অপাম্বা হায়বদি দুআগী মায়কৈদা ঐখোয়গী পুন্সিগী খোঙচৎ অসি লৈশিল্লকই। পান্দমফম ফংবদা তম্পা থুবগী চাং অদু মহাক্না নিংবগী পাঙ্গল অমদি পান্দমফমগী ফিভম অনিগী মখা পোল্লি। মরমদি থৌজাল (মীওইবগী দরকার ওইবশিং) না মালেম অমসুং অতিয়াগী মায়কৈদা মরাং কায়না থেন্দুনা থম্বীরে। ''অমসুং মহাক্না পীবি নখোয়দা নখোয়না মঙোন্দা নিজবা পুন্নমক, অমসুং নখোয়না করিগুম্বা মশিং থিগে হায়বদি অল্লাহগী থৌজালশিং, নখোয়না ঙম্লোয় মশিং থিবা মখোয়বু''। তৌইগুম্বসুং মীওইবনা মহাক মশামকপু' অমদি মশাগী অকোয়ববু য়াম্না থৌশাদে। পুন্নমক অসিগী মমল খঙদে। আয়ৎসিনা মখা তারি, ''মীদি থাঙ্গৈশেংনমক য়াম্না অরানবা খোঙফমনবনি, ঈমান লৌদবনি (তৌবিমল খংদবনি)''।- (কুরআন ১৪:৩৪) অল্লাহগী থৌজালবু চাংদম্নদুনা হজরত মুহম্মদ (স্ব:) না হায়: ''অল্লাহনা থৌজাল চাম্মা শেম্বদা মদুদগী শরুক অমনা মখোয় মশেন নুংশি-চান্নবা মাগী খুৎশেমশিংদা শিন্নবী (মপু ওইহনবী) অমসুং অতোম্পা মরিফুতরা মাপল অদুনা অল্লাহগীনি''।- (বুখারী শরিফ)

(ৱারেং অসি অজাদ কোমোলগী লাইরিক 'অল্লাহগী ফজবা মিংলেনশিং' হায়বদুদগীনি)

মথং মথং .......



# ইন্দিয়াগী অহানবা মসজিদ

....হান্নগী মখা

— মৌলানা অব্দুল হমিদ

রাজা পেরোমলনা মুসলমান ওনবসি হিন্দুস্তানগীদি অহানবা মুসলমানগী থাক্তনি হায়বা য়াই। মক্কা শরীফতা অব্দুল্লাহ সমদরী য়ৌরকখি অমসুং হুজুর (স্ব) গা উন্নখি হায়বসি রসুল ইবুংঙো নুংশিবগা লোয়নবা সহাবী হজরত অবু সঈদ খুদরী, রজিয়ল্লাহু অনহুনসু হায়বিরি। মহাক্না হায় হিন্দুস্তানগী রাজা অমনা শিংগী অচার য়াওবা লিক্লি অমা রসুলুল্লাহ সল্লল্লাহু অলৈহি ৱসল্লমদা খুদোল তল্লম্মী। অল্লাহগী রসুলনা মদু কবুল তৌরদুনা মতম অদুদা ইবুংঙোগী মনাত্তা লৈবা মীয়ামদা য়েন্থোক্লম্মী। অবু সঈদ খুদরী রজিয়ল্লাহু তআলা অনহুসু মচেৎ অমা ফংজরম্মী। অব্দুল্লাহ সমদরী অহান্না খলীফা হজরত অবু বকরগী মাংদা মুসলমান ওল্লবা মতুংদা জিস্কাদা চত্তুনা লৈরম্মী। মদুদগী মহাক্না জিস্কাদগী নিংথৌগী মচল নুপীগা নিকাহ তৌদুনা যুম পাল্লম্মী। হজ তৌরবা মতুংদা হুজুরগী পাওতাক মতুং ইন্না হিন্দুস্তান্দা চৎলগা ইস্লাম শন্দোক্লুনবা অমদি মসজিদ শারুনবা হায়দুনা হজরত মালিক বিন দীনার য়াওনা রসুলগী সহাবা তরাহুমদোইগা লোয়ননা মরমদম কেরালা তন্না লাক্লম্মী। অদুবু মপুগী অপাম্বা অমা ওইবনা অম্মান (ওমান) গী মনুংদা লৈবা সলালা কৌবা মফম অমদা লৈবা অরিবা হিথাংফম পোর্ট জফরদা মপুগী খুয়াদা চংজখ্রে। মফম অসিদা হৌজিকসু লমকোইবশিংনা পোৎথাফম ওইরি।

অব্দুল্লাহ সমদরীনা থৱায় লান্দ্রিঙৈ মমাং মহাক্না লোয়নরকপা মখৈদা লেপ্তুনা চৎনবা য়াথং পীবিবগা লোয়ননা মচা নুপা কোদঙ্গোরগী রাজাদা ইবা চিঠি অমা হজরত মালিক বীন দীনারদা শিন্নরম্মী। হায়রিবা চিঠি অদুদা লাক্লিবা মীওইশিং অসিগী ব্যভহার অমদি মসজিদ শানবা লম পীবা অদুগা মখোয়না ইস্লাম শন্দোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংনবা পাওতাক য়াওরম্মী। শন্না হায়রবদা মখোয় মখৈ অদু কেরালাগী অৱাং থংবা শরুক মুথলা কোদঙ্গোর খুঙ্গংদা য়ৌরম্মী অমসুং মফম অদুদা মখোয়না হিন্দুস্তানগী অহানবা **‘চেরামন পেরোমল’** কৌবা মসজিদ অসি শাখি। হায়রিবা মসজিদ অসি হিজরীগী চহি নিপালশুবা অমদি ইং শোক ৬২৯ দা শাখিবনি। মসি হিন্দুস্তানগী লৈমায়দা অহানবা শাখিবা মসজিদ অমদি হজরত মালিক বিন দীনারনা মসিগী অহানবা ইমামনি হায়না শিংথানরি।

হজরত মালিক বিন দীনারনা কোদঙ্গোরগী মসজিদ অদু শারল্লবা মতুংদা মঙ্গলোর তন্না চৎখ্রে, মহাক্না চৎখিবদা কোদঙ্গোরগী মসজিদ অসিঙ্গুম্বা মঙ্গলোয় ফাওবদা মসজিদ কয়া শারম্মী। মসিদা শিংথানবা য়াবদি Craanganor (Madayi) Marwi Hill অমদি Qullon নি।

মসজিদ নবৱী মদীনা মুনৌৱরা ৬২৯ এ.দি. গুন্না কোদঙ্গোর মসজিদ ‘‘চেরামন পেরোমল’’ অসিসু মথক থংবা শরুত্তা অমদি অতোম্পা শরুকত্তা তঙাই ফদবা মতুং ইন্না অহানবদা যুবী পাম্বী অমদি মনানচিংবা শিজিন্নখি। চহী কয়ামরুম মসজিদকী মমাং থংবা শরুক অদু মশাগী কাইদনা অদুম থল্লম্মী।

১৯০৫ দা লৌরকখিবা ফোটো অমদসু শক্তম অসি কাইদনা লৈবা উই। হিন্দুস্তান্দা ইহান হান্না শাবা মসজিদ ওইবনিনা মশাগী ওইবা কলাগী শত্তম পুন্নমক উবা ফংই। Indian Travel Times গী Auditor না হিন্দু রাজাগী মসজিদ হায়বা কলম অমদা গুম্বুদ অমদি মীনার য়াওদে হায়না ইবিরি। মসজিদ অসিগী কিবলা (মাই ওনফম) নোংচুপলোম থংবদা লৈ। হৌজিক হৌজিক মসজিদ অসিদা মীওই লিশিং মঙা পুন্না মতম অমদা নমাজ শোনবা য়াগনি। মসিদা মতম মঙাগী নমাজতা নত্তনা জুমুআ অমদি ঈদ অনিগী নমাজসু শোল্লি। মহাক্কী সুমাং য়ান্না পাক-চাওই। ঈদকী নমাজ অনিদা পীকথল্লী অমসুং সাইগোন অদু চাওথোকনিংবগী অপাম্বা উবা ফংই। মসজিদ অসিগী মনুংগী শরুত্তা পাক-চাওবা মিটর ৪৮ নি। খা ৱাংদা শাংবা মিটর ৪ নি। নোংপোক অমসুং নোংচুপকী অপাকপা চংনবা পাল্লিবা থোং অদুনা য়ান্না চন্না লৈথেক লৈকোয় ইয়াও য়াওদনা য়ান্না পুক্লিং হুবা থোংদানি। হায়রিবা মসজিদ অসিগী মিম্বর (Pulpit) শেশুম নত্রগা Rose Wood অঙাংবা মনম নুংশিবা উনা শাবনি, অৱাংবনা মিটর অহুমনি। মসজিদ অসিগী থোয়দোকপা অমনা পিথ্রাইনা শাবা ধাতুগী লেমপ (Brass Lamp) অমা লৈ। অরুম্বনা কিলো ২৪ নি, মিটর অমা ৱাংই।

কাওবিরোইদবা অমনা মসজিদ অসিদা জুমুআগী নমাজসু চহী ১৩৪০ দগী শোন্দুনা লাকই। চেরামন পেরোমল জামে মসজিদ অসি কেরালাগী অতৈ অরিবা বিলদীং Historical Monument গুন্না মশাগী শত্তম কাইদনা লৈরম্বনি অদুবু মসজিদকী কমিটিনা মীশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না মনুংগী শরুত্তা অকাইবা লৈহন্দনা মপান থংবা শরুত্তা গুম্বুদ অমদি মীনার হাপচিন্দুনা শেমদোক-শাদোক কয়া তৌখ্রে।

কোদঙ্গোরগী চহি ৮৭ পুন্সিখিবা নিংথৌ রেসাথম পুরম চেরামন পেরোমল (অব্দুল্লাহ সমদরী) গী মচা মশুশিংগী মনুংদগী অমনি, মহাক্না মপুথৌখোয়গী মতাংদা হায়রম্মী ‘পৈগুম্বরে ইস্লামগী খুৎ মুবারত্তা মুসলমান ওইখিবা অমদি মহাক্কী চিঠিগী মরোল ইন্দুনা চাওরবা হিন্দুস্তানগী মফম অমগী রাজানা ইস্লাম শন্দোক্লম্বা অমদি মতম পুন্নমক লেংদনা লৈরগদবা মসজিদ কৎথোকখিবা মীওইনি। কেরালাগী মালাবোর এলাকা অসি মসজিদ অসিগী মরমদগী মপা লৈতনা মমিং চৎলি, ঙসিদি কেরালাগী মগুন্দা তম্স্ক হাপ্পগুম ওইরে।

# মিসৱাক

**(ধর্ম্ম অমসুং বিজ্ঞ্যান্দা)** — মণিপুরীদা

**ইকবাল শেখ**

.....হান্নগী মখা

**2. Antimycotic Activity:**


Al Bagieh গী investigation গী রিপোর্ত ওইনা মিস্বাকতা ফংবা Aqueous কী চাংনা Candida albicans মচা কোকপা অমসুং মশিং য়ামখৎললপদ্গী পুংদা ৩৬ কী চাংদা চাদা ১৫ ফাওবা হন্থহন্দুনা হাত্তোকপা ঙমই হায়না পল্লি।

**3. Analgesic Effect:**

Mansour El Al মিস্বাককী decoction (ঈশিংদা তুম্বা ঙম্বা মচল অমা) বু উচিশিংদা কাপশিন্দুনা Analgesic Effect কী মরমদা চাংয়েংখি। মখোয়গী চাংয়েংদা Chemical Stimuli দ্গী Thermal Stimuli তৌবদা মিস্বাক অসিনা হেন্না কান্নে হায়বা খঙবা ঙমখি। মিসৱাক না য়া চিক-নাবদ্গী কনবা ঙম্মী হায়না খঙবা ঙমখি।

**4. Cytotoxicity**

Mohammad Et Al না gingiva অমসুং Periodondatl Structures শিংদা gel তৈশিনবগী মেথোড শিজিন্নদুনা মিস্বাক্তা হু-চেনবা য়াওৱা নল্লগা য়াওদৱা হায়না চাং য়েংখি। ককপদা ঙাইরিবা অমসুং ককথৎ-ককথৎলগা শিজিন্নবা মিস্বাকতা অসিগুম্বা হু চেনবা য়াওবগী খুদম ফংখিদে। অদুবু হায়রিবা মকক অদুমক পুং ২৪ গী মতুংদা শিজিন্নবা ওইরবদি মাংবা য়াবা মচাকশিং য়াওই হায়না হায়রি। করিগুম্বা হায়রিবা মকক অদুমক শিজিনখিবা শরুক অদু ককথৎখ্রগা নৌনা অমুক চিকখায়দুনা শেল্লবদি মদুনা হেন্না কান্নে হায়না পল্লি। হু চেনৱা হায়না থিজিনবা অসিদা, পুং ২৪ গী মতুংদা ওইরবদি চেল্লকই মরমদি Agar Overlay Method অসিসু করিগুম্বা মফম অদু হাংদোক্তুনা থল্লবদি হু চেল্লক্কনি হায়না পল্লি। মখা তানা মসিনা হায় মদুদি সেলশিং অমসুং চাং য়েংলিবা মহী অদু হকথেংননা ফংনহন্দে।



**5. Other Pharmacological Property:**

মিসৱাকনা লৈগী মহাও খঙদবা নল্লগা থুমগৎপা/ খাগৎপত' নত্তনা মৈশা ঙাকথোকপা অমসুং ঈদা চিনিগী চাং ৱাংখৎলকপদ্গী কনবা ঙম্মী।

**Uses of Miswak for Therapeutic Purposes:**

মিসৱাক অসি শিজিন্নবা মতমদা য়া অমসুং লৈ অনিমক শেংদোকই। মসি য়া চিকপগী লায়েং ওইনসু শিজিন্নরকই। মিসৱাকনা অনাবা মখল কয়া লায়েংবগী কান্নবা হিদাক ওইরি। খুদম ওইনা মসিগী মিসৱাককী চৈদ্গী থোক্লকপা মহীনা বেক্তরিয়া ঙাকথোকপা, অমসুং মসি চিকপা অমসুং য়া থিনবা মতমদা য়ামাং অনিমক নোম্বা-শায়বা শান্নবা অসিনা য়ারি অমসুং য়ামাং অনিদা অমদি চাইরুং অমসুং শরুগা তাইনফমনচিংবদা চিকপা নাবা, য়া কুম্বা, তিন চুমখৎপনচিংবা য়াগী অমদি হকচাংগী ওইবা কান্নবা কয়া অমা ফংই। মিসৱাক অসিনা চিন-য়াগী হৈনবী হায়বদি অহলগী ওইরগা মৈখু শিজিন্নবা অমসুং অঙাংনা খুবী চুপ্তুনা শান্নববু কাওথোকপা ঙমহল্লি। মিস্বাক শিজিন্নবনা য়া-লনবা চাং মান্নদবা, অতেক-অকায়নচিংববু চাং মান্ননা শেম্বা ঙম্মী। মসি শিজিন্নবনা চানিং-থক্লিংবা পোকহল্লি অমসুং থিবোং-থিরিলদা নুংশিৎনা চৎপা লেঙবা পুন্নমক চাং নাইহল্লি।

**Therapeutic Applications of Miswak:**

**1. Toothpaste**

Salvadora Persica হায়রিবা পাম্বী অসিদ্গী শেম্বা Market তা ফংবা Toothpaste খরা পনবা তারগদি : Sarkan Toothpaste (UK), Quali-Miswak Toothpaste (Switzerland), Epident Toothpaste

(Egypt), Siwak-F Toothpaste-(Indonesia). Flouroswak, Miswak (Pakistan, India), Dentacare Miswak Plus (Saudi Arabia). অসিনচিংবনি।

**2. Mouthwashes:**

Mostafa et al গী থিজিনবদা খঙবা ঙমখি মদুদি মিসৰাক য়াওবা করিগুম্বা মহী নল্রগা মপং অমনা চীন তেংবদা অমোৎপা পক্তুনা লৈবগী চাং অসি হন্থে। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি অসিগুম্বা মখলগী পোৎশক অমফাওবা Market তা ফংবা লৈত্রি।

**3. Endodontic irrigation Solution:**

অদুম ওইনমক মিসৰাককী Antimicrobial activity গী মরমদসু রিপোর্ত তৌরক্লি, মসিগী হু চেনবা অমসুং চেন্দবগী মতাংদসু খন্নবা য়াই। মখা তানা Endodontic Practice তা মচা তাবা করিগুম্বা সোল্যুসন অমা ফাওবা থৌরাং তৌদ্রি।

**মিসৰাক শিজিন্নবগী কান্নবা খরা:**

১। মিসৰাক শিজিন্নবনা য়ারি-য়াখোংগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লি অমসুং য়াথি থাংহন্দে।
২। মিসৰাকনা য়া-চিকপা ফহনবদা মতেং পাংই, অমসুং মখা তানা হান্না পকশিনদুনা লৈরম্বা য়াথি অমসুং নৌনা পল্লক্কদবা য়াথিবু থিংবা ঙমই, লৌথোকপা ঙমই।
৩। মিসৰাকনা চিন-য়াবু মনম নুংশিহল্লি।
৪। মিসৰাক অনাবা মখল কয়াগী হিদাকনি।
৫। মিসৰাকনা স্বর মনম নমথিবা ফহল্লি অমসুং লৈতোনবু মহাও খঙবা হেঙ্গৎহল্লি।
৬। ৰাখল-লৌশিং ফগৎহল্লি অমসুং নিংশিংবগী চাং ৰাংখৎহল্লি।
৭। কোক চিকপা ফহল্লি।
৮। মিসৰাকপু চাং নাইনা শিজিন্নবা মী অদুগী মাইথোংগী নুর (মঙাল) হেঙ্গৎহল্লি।
৯। য়াবু লংহল্লি।
১০। মিৎ ফহল্লি।
১১। চাবা তুমহল্লি।
১২। খোঞ্জেল শেংহল্লি।
১৩। অল্লাহনা নুংশিবিনবা মরম অমা ওইহল্লি।
১৪। নমাজ শোন্দ্রিঙৈ মমাংদা মিসৰাক শিজিন্নহৌরবদি শোল্লিবা নমাজ অদুগী শরুক হুফুতরাগী সৱাব পীনবিগনি।

**মিসৰাক শিজিন্নবদা সুন্নত ওইবা মতমশিং:**

১। কুরআন শোন্নবগীদমক
২। হদীস পানবগীদমক
৩। চিনদা নমথিবা ফাওরক্লবা মতম
৪। দীনগী ইলম তম্ব-তাকপদা
৫। জিকর তৌনবগীদমক (অচিকপদা অল্লাহবু নিংশিংবা)
৬। মীয়াম তিনবা অমসুং অফবা মফমদা চংশিনবা মতমদা
৭। কনাগুম্বগী য়ুমদা চংবা মতমদা
৮। চারা হেনবা অমসুং অরাম-খৌরাংবা খাঙবা মতমদা
৯। কনাগুম্বা অমা শিবা মতমদা
১০। সেহরি মতমদা
১১। চাক চাদ্রিঙৈদা
১২। সফর চৎল্রিঙৈদা (চৎলমদাই)
১৩। সফরদগী হল্লক্লবা মতুংদা
১৪। তুল্লমদাইদা
১৫। য়াহৌরকপগা

হায়রিবা মতমশিং অসিদা মিসৰাক অসি শিজিন্নরবদি সুন্নত ওইগনি।


**Reference:-**

1. Miswak (Chewing Stick: A Cultural And Scientific Herritage by Raed !. Al Sadhan (BDS) Khalid Almas (BDS, MSC, DDPH.RCS, FRACDS, FDSRCSED, FICD) Saudi Dental Journal 1999/Volume 11 Number 80-88.
2. The Excellence of Using Miswak (Tooth Stick) by Riyadh us Saliheen

# নুপীনা তলব ফংবা থবক তৌবা

.....হান্নগী মখা

মণিপুরদা
— মৌলানা জলালু ীন

কানুনগী ওইবা নৈনবা অসিদগী মিৎয়েং খজিক্তং থৈদোকচরগা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা নুংশি পামুনবা অমদি তেংবাংনা অমসুং মীনুংশি উৎপগী মহৌশানা থম্মোয়দা ইথিল ফাওনৈ, মখোয়গী দাবী খরসু লৈজে। ইস্লাম্না হায়রিবা থম্মোয়নুংগী ইথিলদুবু পুক্লিং থৌগৎলি অমসুং থৌনা হাপকৎলি। মপুরোইবগী খর্চ মাগী নুপীগী মথক্তা করিগুম্বা মওং অমদসু ৰাজিব ওইদে, তৌইগুম্বসুং নুঙাই য়াইফবী মতুনা লাইরবা মপুরোইবগী মতেং তৌজবা ঙম্লবদি মদু অৰাংবা থাক্কী লমচৎ-শাজৎ খংবগী খুদম ওইগনি। শরীঅৎনা মদুবু য়াম্না চাওরবা মহৈ অমদি সৰাবকী থবক্তি হায়না শিংথানবী। হজরৎ অব্দুল্লাহ বিন মসঊদ (র:) গী ইমুং-মনুংগী ওইবা পুন্সি মরেলগী ফিভম য়াম্না ফবা ওইরমদে, মহাক্কী লোইনবী জৈনব (র:) না মহাক্কী মথক্তা অমসুং মাগী য়তীম ওইহৌরবা অঙাংশিংদুগী মথক্তা খর্চ তৌরম্মী (হায়বদি হান্নগী মপুরোইবদুগী মচাশিং) মহাক্না অল্লাহগী রসূল (স্ব:) দা হঙ্গৎচৈ:- ঐগী ইশাগী ইপুরোইবগী মথক্তা অমসুং ঐগী তমপাক্তা ঐগী মীৎয়েংখাদা লৈজরিবা য়তীম ওইরবা ইচাশিংগী মথক্তা ঐগী মাইকৈদগী খর্চ তৌবা য়াব্রা? অমসুং ঐ ইশাগী তঙাইফদবা অদুদগী মতিক চাবা ওইরগদ্রা? ৰাহং অসিমক অতোম্পা নুপী অমগী মাইকৈদগীসু লৈরম্মী অল্লাহগী রসূলনা মখোয় অনিমক্তা হয়বিরম্মী:- "নখোয় অনিমক্কী মহৈ অনি অনি পীনবীগনি অমনা নকুবা মরি-মতা ওইবগী অমসুং অমনা সদকা তৌবগী।" (বুখারী, কিতাবুল জকাত, বাবু জকাত অলজ জৌজ ৰল ইতাম ফিল হজরি, মুস্লিম, কিতাবুজ জকাত)

হজরৎ উম্মে সলমা (র:) না অল্লাহগী রসূলদা হঙ্গৎচরম্মী মদুদি অবূ সলমা (র:) লৈখিদ্রে। হৌজিক মহাক্কী মচাশিংদা ঐনা খর্চ তৌরবদি ঐনা মদুগী মহৈ ফংগদ্রা? ঐ অঙাং মখৈদু থাদোকপসু ঙমদে মরমদি হায়রিবা অঙাংশিংদু ঐগী ইচা ঙাক্তনি। অল্লাহগী রসূলনা হায়রবীরম্মী হোই, নংনা মখোয়গী মথক্তা খর্চ তৌরবদি মদুগী মহৈ নঙোন্দা ফংগনি। (বুখারী, কিতাবুল নফক্বাত)

মসিগী হদীসশিং অসিনা তাক্লি মদুদি মপুরোইবা অমসুং য়ুমগী অতৈ লৈমিন্নরিবশিং তঙাইফদবা ওইরবা অমসুং নুপীশিংনা মখোয়গী তঙাইফদবশিং অদু কোকহনবিরে অদু ওইরবদি মদু অতোম্পা অফবা থবকশিংদা খর্চ তৌবদগী হেন্না মহৈ অমসুং সৰাব ফংনবগী হক্বদার ওইগনি। মসিগী ৰাখল্লোন অসিদগী করিগুম্বা নুপীনা মশাগী মালগী ফিভমবু হেন্না ফগৎহন্নবগী করিগুম্বা জাইজ ওইবা থৌশিল পাইখৎপদা অদু ওইরবদি জাইজ ওইদবনি হায়রোই; তৌইগুম্বসুং শরীঅৎনা অফবনি হায়না হায়গনি।

ৰাহং: শুপ্নগী পুন্সিগী হিংবগী থাক ৰাংখৎহনবা নম্রগা মতম লেন্নবা অমসুং লন-থুম অমদি মাল চাং লেপশিন্নবগী পান্দমদা নুপীশিংগীদমক পুন্সি হিংনবগী লানফমদা চেন-চোংদুনা হোৎনবা করি হুকুম লৈবগে? হায়বদি য়ুমগী মালগী ফিভম্সু অসুম্না ওইরি মদুদি চিল্লবসু চিন্না থবক্তি অদুম চৎনবা য়ারি অমসুং চৎনরি?

পাওখুম: ইস্লামনা দুনিয়াদা পুক্লিং লুপশিনবা অমসুং মশাগী অৰৈবা লৌশিং অমদি থৌনা লিংজেল খুদিংমক মদুদা শিজিন্নবদগী থিংই। অমসুং পেন্থোকপগী পারা তম্বী, অদুবু করিগুম্বা কনাগুম্বা মীওইনা জাইজ অমসুং হলাল ওইবা নিয়ম শিংদগী মাল তানশিনবা অমসুং লৈতেং ওইবা অমসুং হরাও তয়াম্না পুন্সি লেল্লে অদু ওইরবদি অয়াবা লৈ। তৌবতবু মদুগী পুন্সি মহিংদুনা মথৌ চিনমনখিদুনা মপু কাওবদি ওইরোইদবনি, অল্লাহগী বন্দাশিংগী হকশিংবু

কাওথোক্তুনা লৈরোইদবনি অমসুং দুনিয়া নিংজবশিংগী মতৌগুম অকাওবগী পুন্সিদা লেন্দুনা লৈরোইদবনি। দুনিয়াগী কারবারনা অল্লাহগী অফবা মনাইশিংবু মহাকপু নিংশিংবদগী, নমাজ অমসুং রোজা হেনবদগী কাওথোকপা ঙমহন্দে। মখোয় অল্লাহবু কিজবদগী নিক্তুনা অদুম লৈ।

"অদুগুম্বা মীওইশিং মখোয়গী লল্লোল-ইতিক অমসুং লৈবা য়োনবা তৌবনা অল্লাহগী জিকরদগী, নমাজ শোনবদগী অমসুং জকাত পীবদগী অকাওবা লৈহনবা ঙমদে, মখোয়না নুমিৎ অদুবু কিদুনতা লৈ নুমিৎ অদুদা থম্মোয়শিং অমসুং মিৎশিং মথক -মখা ওনগনি।" (সুরহ নূর, ৩৭)

লল্লোল-ইতিক অমসুং লৈবা-য়োনবা তৌবনা পুন্সিগী তঙাইফদবশিং অদুবু মপুং ফাহল্লি অমসুং নুংঙাই য়াইফবা ওইরকপগীসু ওইথোকপা লৈ। লল্লোল-ইতিক্তা অয়াম্বনা হায়রিবা ৰাফম অনিসি মাংদা থন্নে। নুপাশিংগী মতৌগুম নুপীশিংসু ইস্লামগী ঙমখৈ মনুংদা লৈরগা ৰানা পুন্সি লেনবগী মহুত্তা নুঙাইবা পুন্সি লেন্নবগীদমক লল্লোন-ইতিক তৌবা নম্রগা জাইজ ওইবা করিগুম্বা থবক-থৌরম অমা শিজ্জরবা অদু ওইরবদি মদুবু অরানবনি হায়বা য়ারোই। মসিগী হিরমসিদা নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খেন্নবা থম্বগী করিগুম্বা ওইথোকপা য়াবা মরম অমত্তা লৈতে।

ৰাহং: নুপীশিংগীদমক হিঙনবা হোৎনবগী করিগুম্বা মওং অমা থিজদবা মতম অসিদসু হায়বদি মহাক ইমুং-মনুংগী খক্তদা মশাগী হিঙনবা হোৎনবগী থবক-থৌরমশিংবু অকক্লনা থম্বা তারবা, মতম অদুদসু মহাক্কী মপু ওইরিবা মীওই নম্রগা মপুরোইবদগী অয়াবা লৌবগী তঙাইফদবা ওইগদ্রা?

পাও: নুপীশিংগীদমক ইমুং-মনুংগী ওইবা মশাগী পুন্সি লেনবগী অচিনবশিংদুগীদমক মপুরোইবদগী অয়াবা লৌবা তঙাইফদে। মরমদি অসিনি মদুদি নুপীগী চান-থক্লবা খর্চ শরীঅৎকী মিৎয়েংদা নুপাগী মথৌনি। নুপীনা পুন্সি হিঙনবগী উপাই থিবগীদমক তঙাইফদবা ওইহন্দে। নুপীগী চান-থক্লবা খর্চ পীবগী মহুত্তা মপুরোইবগীদমক মশাগী মতমবু কোমহল্লি। (হিদায়হ য়াওরি:- খর্চ নুপীবু থিংদুনা থম্বগী মহুৎনি। অদুগুম্বা মীওইশিং অতোম্পগী কান্নবগীদমক ফাজিন্দুনা থল্লে (মশাগী মতম মীওইদুদা পীরি) মহাক্কী খর্চ নুপাদুগী মথক্তা ৰাজিব ওইরগনি। মদুগী দলীলদা মসি পীরি:- মদুগী মরুদি কাজী অমসুং সদকা খোমগৎপদা অমদি য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবশিংনি।" (হিদায়ত অৰ্ৰলৈন, কিতাবুত্তলাক বাবুন নফকা, পেজ ৪১৭)



# কনাগী হক্ক কনাদা

মৌলানা অয়ুব খান, থৌবাল মোইজিং

**হকচাং কয়াৎশিংগী হক্কঃ**

অব্দুল্লাহ বিন অমর বিস আস না রসূলল্লাহ (স্বঃ) গী সনা য়াথং অসি পাওদম্বিরি মদুদি হেন্জিন্না ইবাদৎ তৌবদা অহিং চুপ্পা তুমদবা অমদি কা হেন্না অহেনবা রোজা হেনবগী মতাংদা অসুন্না হায়দোকপীরম্মী, “নখোয়গী হকচাংগী নখোয়দা হক্ক লৈবনি অমদি নখোয়গী মিৎকী ফাওবা নখোয়দা হক্ক লৈবনি।” (বুখারী, মুস্লিম)

অমর বিন মৈমুনা (রঃ) না রসূলল্লাহ (স্বঃ)গী সনা য়াথং অমা পাউদল্লিঃ “ রসূলল্লাহ (স্বঃ)না হায়ঃ পোৎ মঙাবু অতোপ্পা পোৎ মঙা লাক্ত্রিঙৈদা মমল লৈনা খল্লু, ১) জৌবনবু অহল ওইদ্রিঙৈদা, ২) হকচাংবু নাদ্রিঙৈদা, ৩) লন-থুম লৈববু লাইরদ্রিঙৈদা, ৪) ৱাখল নুংঙাইববু অৱাবা নংদ্রিঙৈদা, ৫) পুন্সিবু শিদ্রিঙৈদা”। (তির্মিজী)

হজরত অবু দরদা (রঃ) না রসূলল্লাহ (স্বঃ) গী সনা য়াথং পাওদম্বিরি মদুদি ইবুংঙো (স্বঃ) হায়দোকপিরম্মীঃ- “অল্লাহ তআলানা অনাবা অমসুং হিদাক অনিমক থাবিরকই অদুগা লাইনা খুদিংগী হিদাক শেম্বী মরম অদুনা নখোয় হিদাক শিজিন্নৌ (লায়েংউ) তৌইগুম্বসুং হরাম ওইবা পোত্তগী হিদাক শিজিন্নগনু”। (অবূ দাৱূদ)

**কান্নবাঃ- মসি রসূলল্লাহ (স্বঃ) না হায়দোকপীরম্মী, “খতনা তৌবা, খোয়গী মখাগী শম শেংদোকপা, সেগ্রাক তূ শেংদোকপা পুন্নমক অসি নুমিৎ ৪০ নিদগী হেন্না থম্বগী অয়াবা লৈতে।” (মুস্লিম)**

**মপুরোইবা অমদি লোয়নবীগী হক্কঃ**

আইশা (রঃ) না হায় রসূলল্লাহ (স্বঃ)না হায়রম্মী মদুদি রসূলল্লাহ মশামক মহাক্কী লোয়নবীশিংগী মরক্তা হক্কশিংবু য়েনবদা অচাল মীরাল নাইরমদে অদুগা অসুন্না হায়বিরম্মী, “এ অল্লাহ মসি ঐনা য়েন্থোকচবনি; ঐগী খুদুমদা লৈবা পোৎশিংগী, নংগী খুদুমদা লৈবা অমদি ঐগী খুদুমদা লৈবা পোৎশিংদা ঐবু মরাল শিবিগনু”। (তির্মিজী)

অবু হুরৈরা (রঃ) না রসূলল্লাহগী সনা য়াথং পাওদল্লি, “কনাগুম্বা অমনা রসূলল্লাহ (স্বঃ)দা করম্বা নুপীনা খাঙ্খৈদগী হেন্না ফবগে হায়না হঙ্ৎচখি মতম অদুদা রসূলল্লাহ (স্বঃ)না তাকপিরকখি নুপানা উবদা মহাক্কী থম্মোয়দা নুংঙায়বা ফাওহল্লিবা নুপী অমদি, অহানবা পুন্নমক পাংথোক্লিবা অমদি নুপী মশাবু অহানবা অমসুং মালবু পুন্নমক নুপানা পাল্লোয়দবা মওংদা শিজিন্নরগা নুপা অদুগী মায়োক্তা লৈতবা নুপী অদু খাঙ্খৈদগী হেন্না ফৈ।”

হদীস অমদা লাকই, “মপুরোইবনা য়ুমদগী মপান্দা চৎখ্রবা মতুংদা মহাক লৈতবা মতমদা নুপা অদুগী ইমুং-মনুং অমদি লন-থুম ইজজৎ খুদিংমক নুপী অদুনা শেন্নফম থোকই।” (অবূ দাৱূদ)

হকীম বিন মুআবিয়া (রঃ) মশামক্তা ইবুংঙো (স্বঃ) দা “য়া রসূলল্লাহ (স্বঃ)! ঐখোয়গী লোয়নবীগী ঐখোয়দা করি হক্ক লৈবগে হায়না হঙ্ৎখি। ইবুংঙো (স্বঃ) না অসুন্না হায়দোকপীরম্মী মদুদি নখোয়না চাবা অদু মঙোন্দা পীজৌ, নখোয়না শেৎপা অদু মঙোন্দা শেৎহল্লু অদুগা মাগী মমায়দা খুবাক্তা থাগনু (হায়বদি মানা লাল্লবসু, শোয়রবসু মমায়দা থাগনু) অমদি মঙোন্দা ফত্তবা ৱাহৈ-ৱাতা শিজিন্নগনু, মাগা ফংনদবা তৌগনু অদুগা মঙোন্দগী শাওরগা অমদি ৱারৌরগা য়ুমদগী থোক্কনু।” (অবূ দাৱূদ)

উম্মে সলমা (রঃ) না ইবুংঙো (স্বঃ) গী সনা

য়াথং অসি পাওদম্বীরি মদুদি রসূলল্লাহ (স্ব:)না হায়দোকপীরম্মী: মপুরোইবনা য়াবা নুপীশিংনা শিরবা মতুংদা জন্নৎ চৎকনি (হায়বদি নুপী অদুনা শিবা মতমদা মৰানা নুঙাইতবা থমখিদবা ওইরবদি নুপী অদু জন্নত্তা চৎকনি।

ইব্নে অব্বাস (র:) না রসূলল্লাহগী সনা য়াথং পাওদম্বীরি মদুদি রসূলল্লাহ (স্ব:) না হায়দোকপিরম্মী, ''পোৎলম মরি ফংলবা মীওইশিং অদু দীন অমদি দুনয়াগী অফবা ওইরবনি। (১) তৌবিমল মশক খংবা ঙম্বা থম্মোয়, (২) ফিভম খুদিংমক্তা অল্লাহবু য়ানবা লোল্লিবা চিন, (৩) অৰাবদা সবর তৌরিবা হকচাং, (৪) মশাগী জাৎ অমদি মহাক্কী নুপাগী মালদা লান্না খন্দবা নুপী। (মিশকাত)

হজরত আইশা (র:) না রসূলল্লাহ (স্ব:) গী সনা য়াথং অসি পাউদম্বীরি মদুদি রসূলল্লাহ (স্ব:) না হায়দোকপীরম্মী, ''নুপীদা খাঙ্কদগী চাউবা হক্তি মহাক্কী নুপাগীনি অদুগা নুপাদা চাউবা হক্তি নুপী অদুগী মমাগীনি (মনেম্বোক)।''

হজরত অব্বাস (র:)না রসূলল্লাহ (স্ব:) গী ৱারোল অমা পাউদল্লী, ''মীওই অহুমগী নমাজ কবুল ওইদে, (১) মীয়ামগী লুচিংবা ওইরগা মীয়ান্না মাবু ৱারৌরবা, (২) নুপানা ৱারৌরবা নুপী অমদি নুঙাইনা তুমদুনা লৈরিবা, (৩) মশাগী হেক পোকমিন্নবা ময়াম্বা নত্রগা মনাও নুপাদ্গী মরী থদৎলিবা।'' (বুখারী)

হজরত মআজ বিন জবল (র:) না রসূলল্লাহগী য়াথং অমা পাউদম্বীরি মদুদি রসূলল্লাহ (স্ব:) না হায়দোকপীরম্মী, ''মপুরোইবগী য়ুমদা মপুরোইবা অদুনা লাকহন্নিংদবা মীওইশিংবু লাক্নবা অয়াবা পিবা হায়বসি ঈমান লৈবী নুপীশিংগীদমক্তা য়াদে অদুগা নুপী অদুনা মপুরোইবগী য়ুমদ্গী থোক্লগা চৎপদা মপুরোইবনা পামদবা তারবদি জাইজ নত্তে অমসুং নুপীনা মপুরোইবগী থৌরমদা কনাগুম্বা অমগী তুংইল্লবদি জাইজ ওইদে।'' (তরগীব-ৱ-তরহীব)

রসূলল্লাহ (স্ব:) না হায়দোকপীরম্মী মদুদি কনাগুম্বা নুপা অমনা মশাগী নুপীবু অহিংদা হৌদোক্লগা মখোয় অনী পুন্না নমাজ রকঅত অনী শোনমিন্নরবদি মখোয় অনিমক্কী মমিং জিকর তৌবা মীওইশিংগী মরক্তা চলহনবিগনি। (অবূ দাৱূদ)

অবু হুরৈরহ (র:) না রসূলল্লাহ (স্ব:) গী পাউদম্বীরি মদুদি ইবুংঙো (স্ব:) না হায়দোকপীরম্মী: ''নুপী অনী লোনবা নুপাশিংনা করিগুম্বা নুপীশিং অদুদা ইনসাফ তৌদবা তারবদি (মান্নবা মিৎয়েংদা য়েংদবা) কয়ামৎকী নুমিত্তা নুপা অদুগী কোক অমদি খোংগী মরক্কী হকচাংগী শরুক অদুগী তঙ্খায় অমা য়াওদনা লাক্কনি''। (তির্মিজী)

রসূলল্লাহ (স্ব:) গী সনা য়াথংনি: ''নুপীনা নমাজ মতম মঙা শোল্লবা, মশাগী ইজজৎপু শেন্নরবা অমদি মপুরোইবনা হায়বা ইল্লবদি নুপী অদুনা জন্নৎকী অপাম্বা থোংদ্গী (জন্নত্তা) চংবা য়াগনি''। (তরগীব-ৱ-তরহীব)

রসূলল্লাহ (স্ব:) গী সনা য়াথংনি: ''নুপাগী তৌবিমল মশক খংদবা নুপীশিংদা কয়ামৎকী নুমিত্তা অল্লাহনা হন্না য়েংবিরোই। নুপীনা নুপাদা মিৎকুপ অমা ফাওবা ৱারৌদুনা লৈবা য়াদে''।

রসূলল্লাহ (স্ব:) গী সনা য়াথংনি: ''মোমিনশিংগীদমক্তা অল্লাহবু কিবা, মথংদা খাঙ্কদগী হেন্না অফবা থৌজালদি অচুম্বা চৎপী নুপীনি। মঙোন্দা হায়বা থবক্তা হরাওনা তৌরিবা, নুপানা য়েংবা মতমদা নুপাবু পেলহল্লীবা, নুপানা থাজনবা কশম চাহনবদা কশম পুরা তৌরিবা, মপুরোইবনা য়ুমদ্গী থোকখিবদা মশাগী ইজজৎ ঙাক-শেল্লিবা অমদি মপুরোইবগী লন-থুম্বু শেন্নরিবা। (ইব্নে মাজহ)

# চাইনাদা ইস্লাম

- খোমজিনজবা
মুহম্মদ ৰহীদুর রহমান

ইস্লামগী অঙনবা মতমদগী হৌনা চাইনাগা ইস্লামগা নকুবা মরী লৈনরকখি। ঙসিদগী চাওরাক্লা চহি ১৪০০ মুক্কী মতম অদুৰাইদগী ইস্লামগা চাইনাগা মরী লৈনরকখি। ইস্লামগী পাউজেল পৃথিবী শীন থুংনা য়ৌহন্নবা হজরত্ মুহম্মদ (স্ব:) না মায়কৈ খুদিংদা সহাবা শিংবু থারম্মী। মখোয়দুগী মনুংদা নোংপোক পাংনা চৎখিবা সহাবাশিং অদুনা চাইনা য়ৌখি অমসুং মখোয়না চাইনাদা অহানবা ওইনা ইস্লামগী পাউজেল য়ৌহনখি। চাইনাদা য়ৌরকখিবা সহাবা (র:) শিং অদুদি সঅদ ইব্নে অবী ৰক্কাস, ৰহব অবু কবচা, জাফর ইব্নে অবূ তালিব অমদি জহশ (রসূলুল্লাহগী মকুবোক অম) নি। মখোয়না চাইনাদা য়ৌরকখিবা মতম্দি শক ৬১৬/৬১৭ C.E. দনি। মখোয়না ঈশিং লম্বীদা শক ৬১৫/৬১৬ C.E দা অবিসিনিয়াদগী চীটাগোং ফাওবা লাকখি। অদুগা কংফাল লম্বীদা কামরূপ অমসুং মনিপুর ফাওদুনা চাইনা য়ৌখি। অনিরকসুবা ওইনা শক ৬৩৬ C.E দা পার্শিয়া জয় তৌরবা মতুংদা মহাক সঈদ ইব্নে জৈদ, কৈস ইব্নে সঅদ অমসুং হসন ইবনে সাবিতকা লোয়ননা শক ৬৩৭ C.E দা মপুং ফারবা কুরআনগী ভোলুম অমা পুদুনা চাইনাদা লাকখি। হল্লকপদা কংফাল লম্বীদা য়ুনান, মনিপুর, কামরুপ, চীতাগোং লম্বীদা লাকখি, অদুগা ঈশিং লম্বীদা চীতাগোংদগী অরব য়ৌখি। অহুল্লক শুবা ওইনা শক ৬৫১ C.E দা হজরৎ উসমান (র:) না খলীফা ওইবা মতমদা সঅদ ইব্নে অবী ৰক্কাসনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমা চাইনাদা থারম্মী। মতম অদুদা চাইনাদা পাল্লম্বা টাং শাগৈগী নিংথৌরেল গাওজোংনা মীহুৎ কাংবু অদুবু তরান্না ওক্লম্মী। মীহুৎ কাংবু অদুনা নিংথৌরেলদা ইস্লামগী ফজরবা পাওজেলশিং তাহল্লম্মী; নিংথৌরেলনা ইস্লামবু ইকাই খুন্নবা উৎপা ওইনা মুহম্মদ (স্ব:) বু নিংশিংনবা কেন্টোন্দা লৈরিবা মেমোরিয়েল মোস্ক অসি শাবগী অয়াবা পীখি। মসজিদ অসিনা চাইনাগী অহানবা মসজিদনি। মতম অদুগী টাং শাগৈগী নিংথৌরেল অদু কনফুসিয়সকী পাওজেলদা পুক্নিং লুপচবা মীশক অমা ওইরমই।ইসলামগী ফজরবা পাওজেলশিং অদু কনফুসিয়সকী পাওজেলগা চুনৈ হায়না মহাক্না খঞ্জরম্মী। মরম অসিনা মহাক্না সঅদ (র:) অমসুং মহাক্কী কাংবুদা ইস্লামগী পাওজেল চাইনাগী মফম খুদিংদা শন্দোকপদা অথিংবা পীরমদে। সঅদ (র:) মতম খরগী তুংদা গুৱাংঝৌদা শিরম্মী। মহাক্কী নিংশিং ফুরা অমা ঙসি ফাওবা মফম অসিদা লৈরি। হসন ইব্নে সাবিতনা য়ুল্লোমদা (অরবলোমদা) হল্লকপগী লম্বীদা নারক্তুনা লৈখিদে হায়নৈ। জিনজিয়াংগী হামিদা লৈরিবা নিংশিং ফুরা অসি মহাক্কী কবরনি হায়নৈ। অতোম্পা সহাবা অনি অদুগী নিংশিং ফুরাশিংনা মাউন্ট লিংশানগী চীংখোংদা লৈ। পৃথীবীদা খাক্কদগী লীরবা মসজিদশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হুৱাইশেংদা লৈরিবা মসজিদ অসি সঅদ ইব্নে অবী ৰক্কাসনা শারম্বনি।

অসুন্না চাইনাগা অরবকী মীশিংগা লল্লোন ইতিক অমসুং কুটনিতিগী ওইবা মরী হেন্না নকশিন্নরকখি। মথংগী চহি চাদা অরবতগী চাইনাদা কুটনিতিগী ওইবা মীহুৎ কাংবু তরাতরুক্লক লাকখি। সোং শাগৈনা পানবা মতমদদি চাইনাদা লল্লোন-ইতিক্কী পোৎশিং পুথোক-পুশিনগী মরু ওইবা থৌদাং মুস্লিমশিংনা লৌরম্মী। শাগৈ অসিনা পানবা মতমদা চাইনাগী জহাজশিং পান্নবগী ডাইরেক্টর জেনেরেলগী ফম মুস্লিমশিংনা লেপ্তুনা পাইরম্মী। শাগৈ অসিগী নিংথৌরেল শেনজোংনা উজবেকিস্তানগী বুখারা প্রোভিন্সতগী মুস্লিম ৫৩০০ কৌদুনা খুন্দাহল্লম্মী। টাং অমদি সোং শাগৈগী মতমদা ইস্লামবু দাশি ফা হায়বদি অরবকী চৎন-কাংলোন হায়না খংনরম্মী। মমৈদা মসিবু "হুই হুই জিয়াও" হায়বদি হুই কাংলুপকী ধর্ম্ম কৌনরকখি। হুই হায়বসি চাইনাদা লৈবা মশিং য়ান্না মুস্লিম কাংলুপ অমনি। য়ুআন কাংবুনা পানবা মতমদসু মুস্লিমশিংগী ফীভম ফগৎলম্মী। মতমসিদা চাইনাগী কোর্পোরেশন অয়াম্বা মুস্লিমশিংনা লুচিংলম্মী। মুস্লিম স্কোলরশিংবু থাক ৰাংনা থল্লম্মী। মীং শাগৈনা পানবা মতমবু চাইনাদা ইস্লামগী "সনাগী যুগ" হায়না খঙনৈ। সরকারগী ওফিস অয়াম্বা মুস্লিমশিংনা মকোক থোংবা ফমশিং পাইরম্মী। মহাক্না মুস্লিমশিংবু থাগৎপা লাইরিক অমসু ইরম্মী। শাগৈ অসিগী নিংথৌরেল য়োংলেনা চাইনাগী খাক্কদগী হানবা লমকোইবা ধেংহেবু ইন্দিয়ান ওসিন্দা চৎপা খোংচৎ তরেৎকী লুচিংবীনবা হায়জরম্মী।

পেংহে চাইনাদা খাঙ্কইদগী মমিং চৎপা অমসুং ইকাই খুন্নবা মুস্লিমনি। মতম অসিদ্গী হৌদুনা মুস্লিমশিংনা চাইনিজশিংগী মিং থোনবা হৌরনকখি।

অদুবু ক্কিং শাগৈনা পানবা মতমদা মুস্লিমশিংবু নমথবা ওৎপা-নৈবা হৌরকখি। মতম অসিদা মমিং চৎলবা মুস্লিমশিংগী ইহৌশিং হায়বদি দঙ্গান রিভোল্ট পানথায় রিভেলিয়ন অমদি ১৮৯৫ গী দঙ্গান বিভোল্টনচিংবা হৌখি। মুস্লিমশিংবু অকীবগী মশক ফংনা নমথরম্মী মদুদি লালহৌশিং অসিদা মুস্লিম মিলিয়ন কয়া হাৎখি। শাগৈ অসিনা পানবা মতমদা শা-ষন লেনবা, অনৌবা মসজিদ শাবা অমসুং মক্কাদা হজজ চৎপা থিংলম্মী। অদুবু লালহৌশিং অসিনা মুস্লিমশিংদা কান্নবসু য়াম্না পীখি মদুদি নিংথৌদা চংজরকখিবা অমসুং নিংথৌগী মায়কৈদা লৈবা মুস্লিম লান্মীশিংবু অচৌবা ফম পীরম্মী। মখোয়শিং অদুনা শাগৈ অসিনা লৈখা তাখ্রবা মতুংদা চাইনানা রিপব্লিক ওইরবা ফাওবদা অৰাংবা ফমশিং পাইদুনা লৈখি। চাইনাবু রিপাব্লিক ওইহনখিবা সনয়াঙ সেন্না চাইনাবু হান, মান (মানচু) মেং (মোঙ্গোল), হুই (মুস্লিম), সাং (তিবেতান) অমসুং মীয়াওশিংগী অপুনবা লমনি হায়না লাওথোক্লম্মী। শক ১৯৭৮ দগী চাইনা সরকারনা মুস্লিমশিংদা থল্লম্বা পোলিসিশিং কোমথোকপীখি। হৌজিক্কী মতম অসি চাইনাদা ইস্লাম অমুক হিঙ্গৎলকপগী যুগনি।

চাইনাদা মুস্লিম মিলিয়ন কুনমাথোইমুক লৈ। মসি এশিয়াগী মশিং য়াম্লবা মুস্লিমগী অচৌবা শরুক অমনি হায়বদি এশিয়াগী মুস্লিম খাঙ্কইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা চাইনাসু অমনি। চাইনাদা সঊদী অরবিয়াগী মুস্লিম মশিংমুক লৈ। চাইনাগী মুস্লিম অয়াম্বা নোর্থ ৱেসটর্ন প্রোভিন্সশিং হায়বদি জিনজিয়াং, গানসু অমসুং নিংশিংয়াদা লৈ। চাইনাগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ২ পর্সেন্ট য়ৌদ্রবসু পৃথিবীদা খাঙ্কইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক ওইবনা মফম অসিগী মুস্লিম মশিং য়াম্না য়াম্মী। চাইনা সরকারনা শকখংলবা মী কাংলুপ ৫৬ কী মনুংদা তরা (১০) দি মুস্লিমনি। মখোয়শিং অদুদি হুই, উইসুর, কজখ, দোবসিয়াং, কিরগিজ, সালার, টাজিক উজবেক, বোনান অমসুং টটারনি। খাঙ্কইদগী মীশিং য়াম্বা কাংলুপকী হুই কাংলুপ্নি। মখোয়না চাইনাগী মফম খুদিংদা খুন্দারি। মখোয় চাইনীজ লোন ঙাংই। মখোয় চাইনাগী অরিবা মুস্লিম কাংলুপনি। মুস্লিম মেজোরিটী ওইবা মফমদি জিনজিয়াংনি। মসি চাইনাগী চাওখৎলবা ইন্দস্ট্রীগী মফম্নি। মফম অসিদা উইঘুর, কিবগিজ অমসুং কজখ মাইনোরিটি গ্রুপশিং খুন্দারি।

চাইনিজ মুস্লিমশিংনা মখোয়বু মুস্লিমনি হায়বা শক্তাকচনবা মখোয়গী মিংদা তপশিনবা ৱাহৈ খর অর্থগা কোন্ননা মখাদা পীজরি-

'মা', 'মু', 'হান' হায়বদি মুহম্মদ, 'হা' হায়বদি হসন, 'হু' হায়বদি হুসেন, 'সাই' হায়বদি সঈদ, 'সা' হায়বদি শাহ, 'ঝেং' হায়বদি সমশ, 'কোয়' হায়বদি কমরুদ্দীন অদুগা 'চুআহ' হায়বদি ওসমান।

চাইনাদা মসজিদ ৪০০০০ হেন্না লৈ। মুস্লিমশিংনা মসজিদশিংদা ইস্লামগী মহৈ তম্মী। অসিতসু নত্তনা সরকারগী ইস্লামিক স্কুল, কলেজশিং, লনাইগী ইস্লামিক স্কুল, কলেজ কয়াদা ইস্লামগী মহৈ তম্বা ফংজৈ। অসিতসু নত্তনা ইজিপ্ত, সীরিয়া, পাকিস্তান, সঊদী অরবিয়া, ইরান অমসুং মলেশিয়াদা ইস্লামগী অৰাংবা মহৈ তন্নবা চৎনৈ। চাইনাদা হজজ চৎপগী মশিং চহি খুদিংগী হেনগৎলক্লি মমাংগী চহিদা চাইনাদা মী ১৩,১০০ হজজ চৎখি। চাইনিজ লোন্দা কুরআনগী অর্থ হন্দোক্তুনা মশিং য়াম্লবা চাইনাগী মীশিংবু ইস্লামগী ফজরবা পাউজেলশিং উহন্নবা হোৎনরি। চাইনাগী ইতিহাসতা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদবা থৌনা ফরবা মুস্লিম কয়াবু ঙসিফাওবদা চাইনাগী মীপুম খুদিংনা ইকাই খুম্ননরি।

নিংশিংবা য়াই মদুদি ঙল্লিঙৈ মতমদ্গী ইস্লামগা নক্ক মরী লৈনরকপা চাইনা ঙসিসু মুস্লিম লৈবাকশিংগা নক্কবা মরী লৈনৈ। নোংচুপ লৈবাকশিংগা মরী তৎনরকপা মুস্লিম লৈবাকশিং চাইনাগা মরী নকশিন্নরক্লি। হুজূর সল্লল্লাহু অলৈহি ৱসল্লম্না ''মহৈ তম্নগী ওইরবদি চীন ফাওবা ওইরবসু চৎলু'' হায়না মমিং পনবীরম্মী। লৈবাক অসি ঙসিগী মালেমসিদা তেল্লবা মতমগী মনুংদা খাঙ্কইদগী শক্তি লৈবা অনিশুবা লৈবাক্লি অমসুং চহি দিকেৎ খরগী তুংদা পৃথীবীগী সুপর পাৱর ওইরগনি হায়না পানরিবা লৈবাক্লি।



# বিজ্ঞ্যানগী লমদা মুসলিম

— মণিপুরীদা হন্দোকপা
**মৌলানা অব্দুল হমিদ**

সংসারদা লৈরিবা বিদ্যা পুন্নমক অসিদা মুসলমান্না মপুগী থৌজালদগী মমল য়ামলবা থৌদাং কয়া লৌখিদবা য়াওরম্লোই।

হৌজিক হৌজিক চাওখৎলক্লিবা Modern Science অসি মুসলমান Scholar শিং অমসুং Scientist শিংগী খুদোলনি হায়বসি History না শাখিনি।

Science অমসুং অনৌবা বিদ্যা ময়াম অসিদা মুসলমানশিংগী থৌদাং অদু সংসার অসিনা লেংলি-পাল্লিবা ফাওবদি নিংশিংদুনা লৈরগনি।

Europe অমসুং America না অনৌবা বিগ্যান (Modern Science) চাওখৎলিবা অসি মুসলমানখক্কী খুদোলনি। অদুবু Science অমসুং চাংয়েংগী লমদা মুসলমান্না অহানবা খোংদাবনি হায়বসিদি চেনবা য়াররোইদবা ৱাফম্নি। ঙসিগী চাওখৎলবা সংসার অসিনসু য়ারবা ৱাফম্নি। মসিগী মতাংদা English কী Writer, John Dropper না য়ুরোপকী চাওখৎ ৱাখল হায়বা লাইরিক অদুদা অসুন্না ইবিরি "অরব মুসলমান মখৈনা Science কী লমদা অহান্বা ওইনা থিজিল হুমজিনখিবা অমসুং অনৌবা কয়া পুথোকখ্রবগী মতুং তারকপদদি য়ুরোপিয়নশিংগী ৱাখল্লোন অমসুং চাওখৎ খোংথাংগী লম্বী অমা উনরকপা হৌরকই।

অতোপ্পা অইবা অমনসু মহাক্কী লাইরিকতা অরব মুসলিমশিংনা Science কী লমদা মমল য়াম্লবা থৌদাং কয়া লৌরম্লিবা ময়াম অসি চুম্নতগী অঙকপা থৌদাং কয়া লৈরম্বা নত্রগা অওনবা কয়া পুররক্লম্বখক্তা নত্তে। চাওখৎলবা অনৌবা বিগ্যান (Modern Science) অসি অরব Culture গী হোৎনজমন্নি, হায়না ইবিরি। খৃ: গী চাহি ৮০০ দগী ১২০০ ফাওবদা Science অমসুং অতোপ্পা হিরম পুন্নমক্তা মুসলমান্না মপুং ওইনা মাংজিল থাখি।

**খোন্জেলদগী মঙালনা হেন্না য়াংই হায়বা** Theory অসি অলবৈরুনীনা অহনবা ওইনা প্রুফ পীখিবনি। অলবৈরুনা Astronomy গী মতাংদা লৌরম্বা মমল য়াম্লবা থৌদাং অসিগীদমক মহাকপু Father of Astronomy হায়নসু মিংথোল পীদুনা ইকাই খুম্নখি।

**বু অলী সীনা** Medical গী লমদা নোংচুপ্তা খাম্নদগী চাওবা লুচিংবনি হায়না য়ানরম্মী। মহাক্না ইবিরম্বা **অলকানুন ফিৎতিব** হায়রিবা লাইরিক অসি চহি লিশাং শিংনা য়ুরোপকী University শিংদা তম্বীরম্মী অমসুং য়ুরোপিয়নশিংনা হায়নিংঙায় লৈতনা কান্নবা ফংলম্মী।

**বু অলী সীনা**গী মতাংদা Professor Brown না জরমনীগী মহৈ লোইশংশিংদা বু অলী সীনানা থম্বীরম্বা পোৎলম কয়া অদুদগী কান্নবা লৌবা য়াগনি হায়না ইরি। বু অলী সীনানা **"অলশিফা"** কৌবা লাইরিক অমসু ইবিখি। লাইরিক অসিদা Chemistry, Biology, Physics, Philosophy অমদি ইশৈ নোংমায়গী মমল য়াম্লবা পোৎলম কয়া য়াওরি। বু অলী সীনানা পুথোক্লম্বনি ঙসি ফাওবদা মওং অদুমক ওইনা শিজিন্নরিবা **বরনিয়র** কৌবা খুৎলাই অসি।

**বু অলী সীনা** অমসুং মুহম্মদ বিন অলরাজী মখোয় অনিগী মূর্ত্তি ঙসিসু Paris University গী Medical Faculty দা উবা ফংগনি। ঙসিগী চাওখৎলবা Modern যুগ অসিনসু **জাবির বিন হৈয়ান**বু Father of Chemistry হায়নরি। মহাক্না শুরে, গনধক অমসুং থুমগী Acid পুথোকপনি, Water Proof অমসুং Fire Proof সু মহাক্না পুথোক্লম্বনি। Aqua Rajea সনা অমসুং লুপা শক তাক্লিবা অসিসু জাবির বিন হৈয়ান্না পুথোক্লম্বনি। Chemistry গী খুৎলায় Laboratory শিংদা শিজিন্নরিবা Retard কৌবা খুৎলায় অসিসু মহাক্না পুথোক্লম্বনি।

ইবনুল হৈসুমসু History গী সংসারদা মিং ৱাংনা লৈবা মীশক অমনি। সংসারদা অহান্বা ওইনা মঙালগী মতাংদা অলমনাজির কৌবা লাইরিক অমা মহাক্না ইবিখিবনি। পিন-হোল কেমরাগী নিয়মসু অহান্বা ইবনুল হৈসন্না পুথোকখিবনি। মনুং মপান ফাওদবা অরংবা মুর্ত্তি, মঙাল চেন্দবা মুর্তি অমসুং অকোইবা মিংশেল ইবনুল হৈসুন্না পুথোকখিবনি। মসিত নত্তনা মঙাল অসি পাঙ্গলগী

শরুক অমনি হায়নসু হায়বিরম্মী। মমল য়াম্লবা থৌদাং কয়া অসি পাংথোক্লম্বগীদমক ইবনুল হৈসুমবু অনিশুবা বতলীনুস অমসুং লৌশিংগী মপা হায়না মিংথোল পীদুনা ইকাই-খুন্নখি।

অবু জঅফর মুহন্মদ বিন মূসা অলখৱারজামী অসিসু থাগৎনরুবগী মথৌ তাদ্রবা মালেম পুম্বনা শক খংলবা মীওই অমনি। মহাক্না অঙ্ক, জ্যুগরাফি অমসুং অস্ট্রোনোমীগী মমিং ৱাংনা থন্বা ঙমখ্রবা অৱাংবা থাক্কী Scientist অমনি। মশিং থিরিবা ময়েক অসি মহাক্না পুথোকখিবনি। মশিংদা জিরো শিজিন্নবসু মহাক্না পুথোকখিবনি।

অবুল কাসিম অলজহরাবীগী মিং Surgery গী লমদা সনা মচুনা লৈতেংদুনা লৈখ্রে। ঙসি চহি চা কয়া হৌখ্রবসু অনৌবা Surgery গী লমদা চাওখৎলিবা অসি মহাক্কী হোৎনমন্নি। মরম অসিনা মহাকপু Father of Surgery হায়না খংনৈ। Surgery গী মতাংদা অলজহরাৱীনা ইবা অলতাফ হায়বা লাইরিক অসিনা অথোইবনি। লাইরিক অসিদা অবুল কাসিম অলজহরাৱীনা অশোকপদা লংনা ফোৎপা, ঈশিং খাওদগী নুং লৌথোকপা অমসুং হকচাংগী মফম কয়াদা খায়বগী মতাংদা তাকপিরি। লাইরিক অসি য়ুরোপকী University কয়াদা চহি চা কয়া Syllabus কী শরুক অমা ওইনা তাকপী তমবীরম্মী। য়ুরোপকী Writter অমনা অলজহরাৱীগী মতাংদা ইবিরি। শোক ১৪০০ গী মনুংদা লাকখিবা য়ুরোপকী Surgery খুদিংমক অলজহরাবীগী লাইরিকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ঙাকতনি।

উমর খৈয়ামগী মিংসু হিস্তারী (History) দা সনা মচুনা ইদুনা লৈ। উমর খৈয়াম অসি অৱাংবা থাক্কী Mathematician, Astronomy অমসুং অফবা কবি সু ওইরম্মী।

উমর খৈয়ামনা অত্তারিখুল জলালী কৌবা হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা Calender Pop Gregory XIII না পুথোকলম্বা অসিদগীসু হেন্না চুমলবা Calender অমা পুথোক্লম্মী। চিং অসি ঈশিংদগী হৌরকখিবনি হাইবা ৱাখল্লোন অসি উমর খৈয়ামনা পুথোকলম্বনি।

অবু নসর ফারাবীনা ইশৈ নোংমাইগী মতাংদা Science কী ওইবা লমদা অহানবা ওইনা নৈনখি। অবু নসর ফারাবীনা ঈশৈ শকপদা চংবা সংসারপুম্বদা ফংদ্রবা খুৎলায় অমা পুথোকখি। মসি অল্লামা ঈবনে খলকাননা ইরি। শাহ হমদান সৈফুস্কৌলাগী দরবারদা অমুকখক খুৎলায় অসি খোংলম্মী। মদুদা দরবারদা তিল্লিবা মীয়াম পুন্নমক অদু ৱাম্বৰা মখৈ নোক্লরম্মী। মদুগী মতুংদা ফারাবীনা সঞ্জ ওনথোকলগা অমুক্কা খোংলকপদদি দরবারদা লৈরিবা পুন্নমক ও-খোংনা কপনরম্মী।

অবু নসর ফারাবীগী থৌদাং ময়াম অসি য়েংলগা অনিশুবা ওঝা অমসুং অনিশুবা অরসতু হায়না খংনরম্মী।

খৃস্ত ১৯১১গী অদুৱাইদগীদি মুস্লমানশিং অসি মরাই চাইথবা হৌরখ্রে।

ঐখোয়বু অংগ্রেজ অমসুং নোংচুপলোমগী কাংবু অসিনা অমগা অমগা থীনহল্লগা ঐখোয়গী ওইবা পোৎলম কয়া অমসুং ঐখোয়গী গুরু মখৈনা পুথোকপিরম্বা মচাক মথুন্না থল্লবা History পুন্নমক মুথৎখ্রে।

ঐখোয়গী লময়ানবশিংনা Science অমসুং অনৌবা বিদ্যা (Modern Education) গী লমদা মমল য়াম্লবা থৌদং কয়া পাংথোকপিরম্বা কয়া অদু ঐখোয়না পুকচেল শেংদবা অমসুং মহৈ ৱাৎশিল্লকপদগী নোংচুপ অমসুং অংগ্রেজশিংদা পুন্নমক চৎখ্রে। হায়রিবা জাতিশিং অসিনা মুসলমানশিং অসিবু চাওখত্তবা ৱাখল্লোনদা ইরাকনহল্লগা অনৌবা বিদ্যাদা মাংজিন থাদুনা চৎখ্রে। অদুগা মুসলমানদি Science অমসুং বিষয় কয়াদা Primary থাক্কী অঙাংগুম লৈহৌরে। খুদম ওইনা লাই থোকপগী তিকা অসি Adward Geniz (এডবারড জেনিজ)নি হায়না খন্নরি। তশেংনদি লাইথোকগী টিকা অসি অবু বকর মুহন্মদ বিন জকরিয়া অলরাজীনা পুথোকখিবনি।

"রাজি" অসিনা সংসারদা অহানবা ওইনা লাইথোকপা অমসুং খসরা (অঙাংশিংদা ফুরি থোক্তুনা নাগন্না তমথিরবা লাইনা মখল অমা) মপুং ফানা Research তৌদুনা লাই থোকপগী তিকা পুথোকখিবা অহান্না Doctor নি। মসি Encyclopedia of Britannica দা য়াওরি। মতৌ অসুন্না Battery cell অসি Volta না পুথোকলম্বনি হায়না থাজনরি। তশেংবদি Battery cell অসি অল কিতাননা পুথোকলম্বনি। হৌজিকসু Baghdad কী Scientific Museum দা অলকিতান্না পুথোকলম্বা Battery লৈরমখিগনি।

থারমটন না ১৮১১ দা নোংমৈ পুথোকলে হায়রি। তশেংনদি খৃ: ১৮১১গী মমাংদা মীর ফতহ আলি শিরাজীনা নোংমৈ পুথোকখ্রে। মহাক্না অমুক্তং কাম্পাদা খোন্জেল তরানিথোই থোকপা নোংমৈ অমসু পুথোকখি।

মতৌ অসুন্না গেলিলিয়ু দগী হান্না ইবনে য়ুনুসনা পিনদোলিমগী নিয়ম পুথোকখি।

অবুল হসন কৌবা মুসলমান Scientist অমনা গ্লেলিয়ুদগী য়ান্না হান্না "দুরবীন" পুথোকখ্রে। মতুং তারকপদদি পোৎলম অনি অসি গ্লেলিয়ুনা পুথোকপনি হায়খ্রে।

মীওইবগী হকচাংদা ঈনা চেল্লি হায়বা ৱাখল্লোল অসিসু অহানবদা মুসলমান Scientist ইবনুন নফীসনা পুথোকপনি। অদুগা চাওরাকনা চহী চহুমলোমগী মতুংদা ১৬১৬ তা ৱিলিয়ম হারৱেনা অমুক্না পুথোকপদগী মহাক্না পুথোকপনি হায়খ্রে।

অসুন্না ঙসি চাওখৎলবা জাতিশিংনা চাওখৎলিবা ময়াম অসি মুসলমান Scholar অমসুং Scientist শিংগী খুদোল ঙাক্তনি। অৱাবদি ঐখোয়না ঐখোয়গী গুরু মখৈনা হোৎনবিদুনা পুথোকলম্বা পোৎলম ময়াম অদু শেন্নবা ঙমহৌদদুনা মাংহনখ্রে। অদুগা লময়ানবা অদুনা চহী চা কয়া হোৎনজদুনা ফংজবা লন কয়ামরুম অদু খুরক্কী ঈনা লাই শাই হায়বগুম অতোম্পা কনা নত্তনা ঐখোয়গী মনুংদগী মশাগী ওইজবতা তানবা মী খরনা চাওখৎলে ঐখোয় মঙাইরে হায়রিবা জাতিশিং অসিদা শিন্নদোকখিদুনা ঙসিদি হিঙবদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়াদা মখোয়গী মতেং য়াওদনা করি অমফাওবা পাংথোকপা ঙমদ্রে। ঙরাংফাওবদা ঐখোয়গী ইখাদা লৈরম্বা ফুরুপ অদু ঙসিদি মখোয়গী মীনাই ওইরে।

# KIDZ Islamic Quiz – 5




A - Emaan — What is meant by the word Muslim ?



B - Qur'aan — Which surah of the Quran begins without Bismillah?



C - Hadeeth — Who took care of the Prophet (PBUH) after his grandfather death?



D - History — In which year was fasting in Ramadan enjoined on the Muslim?

SMS the right answer to: 098922 55066 latest by 30th Sep, 2011.

Dear Parents & Guardian,
Kindly help your kids below 12 years to send answer.
This is a good way for them to acquire Islamic Knowledge.

Prize: for the first come first winner: **Rs. 200/-**



# রমজান থানা লাকপদা

- মৌলানা অকমল হুইসেন

থা তরানিথোইগী মনুংদগী খাইদগী হেন্না ফবা খাইদগী হেন্না মতিক-মগুণ লৈবা রহমৎ অমদি বরকৎনা থল্লবা রমজান থা ইস্লামিক কেলেনদরগী খাইদগী হেন্না মমিং চৎপা অদুগুম্বা থা অমনি। মসিগী অর্থদি চাকথেকপা অমদি তাঙ্গোই তাবা হায়বনি। মৈনা শীংবু চাকথেল্লগা মৈতান অমদি তাঙ্গোই তাদুনা মাংহন্বগুম রমজান থানা মোমিনশিংগী গুনাহবু চাকথেক্তুনা তাঙ্গোই তানা মাংহল্লি। হায়বদি মোমিনশিংনা থা তরামাথোয় চুপ্পা অল্লাহ অমদি রসূলগী য়াথংবু তুংওইনদুনা ইসলামগী নিয়ম্বু খোঙ্গোইনরগা হকচাংগী অপাম্বদা চত্তুনা খোঙনা, খুৎনা, মিৎনা, নকোংনা, নতোন্না, চীন্না অমদি থম্মোয়না পাপ কয়া তৌবদগী মোমিনশিংগী থম্মোয় অসিদা অমুবা কলিনা মোৎশিন্দুনা জং কাদুনা লৈবা অদু অল্লাহনা রমজান থাগী মতিক মগুন্দগী শেংদোক-চামথোকপিদুনা লংজখিবা পাপসিংদু কোকথোকপী।

### রোজাগী ৱাহন্থোক

রোজহগী অর্থ ঙাক্পা চৎপা: ইস্লামিক শরীঅৎনা অসুন্না হায়: ফজর মতমদগী নুমিৎ চংবা মতম ফাওবা চাবা-থকপা অমদি ৱাখলদগী (য়ুম্বাল মরীদগী) ঙাকনা চৎপা।

### রোজাগী য়াথং

রমজান থাগী রোজা হেনবা অসি তঙাইফদ্রবা থবক অমনি। কুরআননা হায়: "হে অচুম্বা থাজবশিং! রোজা (চরা হেনবা) নখোয়গীদমক্তা পীখ্রবনি, মসি নখোয়গী মমাংদা লৈরম্বশিংদা পীখ্রবগুন্না, মরমদি নখোয় অচুম্বা চৎপা ওইরক্নবা"। (বকরহ: ২:১৮৩)

ঐখোয়গী রসূলনা হায়রম্মী: ইস্লামগী য়ুম্থী মঙানি মদুগী মনুংদা রমজানগী রোজা হেনবসু অমনি। (বুখারী: কিতাবুল ঈমান, বাবুল ১)

কনাগুম্বনা মরম লৈতনা রমজানগী রোজা খরা থাদোকখ্রবা মহাক্না ফত্তবা অচৌবা থবক অমা তৌবনি হায়না লৌগনি। অল্লাহগী রসূলনা মঙদা উবগী মতাংদা অসুন্না হায়খি: "ঐ চীঙ অনিগী মরক্তা লৈরম্মী, ঐনা খঙহৌদনা য়াম্না তমথিবা অকনবা খোজ্জেল অমা তারমই, ঐনা হংই মসি করম্বা খোজ্জেলনো? হুজূরদা হায়রমই, মসি দোজখতা লৈবা মীশিংগী খোজ্জেলনি, অদুগা অমুক ঐবু পুদুনা চৎলমই ঐনা চৎলিবা মফম অদু মথক-মখাদা লৈরম্বা মীশিংগী মনাক্তা ওইরমই হায়রিবা মীশিং অদুগী খজায়সু তৎলম্মী অমদি মখোয়গী খজায়দগীসু ঈ চেন্থরম্মী। ঐনা হংই মীশিং অসি কনানো? হায়রম্মী, হায়রিবা মীশিং অসি ইফতার মতম য়ৌদ্রিঙৈদা রোজা কায়থোকপশিংনি। (সহীহুত্তরগীব)

### রোজাগী মতিক-মগুণ

রোজাগী মতিক-মগুণ য়াম্না চাওই, হায়রিবা অসিগী মতাংদা হদীস খরা পীরি: ১) "রোজা হেল্লিবা মী অদুগী সৱাব হিসাব য়াওদনা পীগনি: হদীস অমগী অর্থনি: অল্লাহনা হায়, "রোজা অসি ঐখক্তগীনি অদুনা রোজা অসিগী মনা (সৱাব) সু ঐনা পীগনি"। (বুখারী) (২) "রোজাগা মান্নবা পোৎ অমফাওবা লৈতে।"

(নসই) (৩) ''রোজা হেনবা মীগী দুআ কবূল তৌবিগনি।''-(বৈহকী) ''(৪) রোজা হেনবা মী অদু মফম অনিদা হরাওনা তৌগনি অমসুং অল্লাহগা উনবা মতমদসু হরাওনা উনগনি।''-(মুস্লিম) (৫) ''কয়ামৎকী নুমিত্তা রোজানা মী অদুবু কনবিনবা হায়গনি মদুদি হে মপু! ঐনা মাবু চাবা অমসুং ফত্তবা থম্মোয়গী ৰাখল্লোন কয়াদ্গী ঙাক্লগা থল্লকখিবনি, অদুনা রোজাদার অসিবু ঐগী মতেংদ্গী ঙাকপিয়ু।''-(অহমদ) (৬) ''জন্নত্তা থোং অমা লৈ, মিংনা রৈয়ান কৌই হায়রিবা থোং অসিদা রোজাদার নত্তনা কনা অমত্তা চংহল্লোয় অদুগা চংখ্রবা মতুংদা থোং অদু থিংজিনখ্রগনি।''-(বুখারী) (৭) ''থাজবগা লোয়ননা অমসুং সৱাবকী ৰাখল তৌরগা রমজানগী রোজা হেল্লবদি মহাক্কী মমাংদা তৌখিবা গুনাহ কোকপীগনি।''-(বুখারী)

<u>রোজাগী কান্নবাঃ</u>

রোজাগী কান্নবা য়াম্না লৈ অমদি রোজাগী য়ুম্স্কম্দি তকৱানি, খুদম ওইনা অল্লাহনা হায়: মরম অদুনা নখোয় অল্লাহবু কীবা ওইয়ু হায়বদি থম্মোয়না অল্লাহগীদমক্তা খল্লগা অমদি অজাবশিংদ্গী কিরগা হলাল ওইবা থবক নত্রগা হলাল ওইবা চিজ্জাকখক্তা তৌগদবনি, চাগদবনি খল্লবা অদু ওইরবদি মহাক অদু য়াম্না লায়না হরামগী চিজ্জাক্তগী শোয়দনা ঙাক্লা চৎপগী হৈনবী অমা ওইরক্কনি অমসুং মীওইবনা পুক লাম্না থমবা অসিনা হকচাংগী কয়াৎ কয়াগী অপাম্বা অদুবু নমথদুনা থম্বা ঙমহল্লি মরমদি চাক লাম্বনা চীন, মিৎ অমসুং থম্মোয়গী ইন্দ্রিনসু লাম্বা অদুগী খাংবা ঙমই অদুনা শৈতানগী ফত্তবা লৌনম অমদি থম্মোয়গী ইন্দ্রিবু ফাথবগী পাম্বৈসু ওইহল্লি।

<u>রোজাদা পাংথোক্কদবা সুন্নৎশিং</u>

সুন্নৎ খরদি তঙাই ফদনা তৌদবা য়াদে অদুগা খরনা তৌবদা কান্নে। খরা পল্লবদা :

(১) সেহরী চাবা য়ারিবমখৈ অরোয়বা মতমদা (খরা থেংথরগা) চাবনা হেন্না ফৈ। হুজূর (স্ব:)না হায়, ''সেহরী চাও মরমদি সেহরীদা বরকত্ য়াওই''। (বুখারী ভো:১ হদীস ন: ১৩৯) সেহরী য়াম্না মতিক-মগুণ লৈবা চিজ্জাক্লি অমসুং মমাংগী মীশিং হায়বদি কুরআন শরীফকী মমাংদা অল্লাহগী লাইরিক ফংখ্রবা মীশিংগী মায়োক্তা চথবা থৌরম অমা ওইহল্লি হুজূর (স্ব:)না হায়বিরম্মী, ''মোমিনগী ওইনদি সেহরীগীদমক খজূর য়াম্না ফৈ'' (অবূ দাৱূদ ২, হদীস ন: ২৩৫৪, সহীহুত্তরগীব ১, হদীস ন: ৪৪৮)


(২) ইফতার তপথদনা তৌগদবনি। হজূর (স্ব:) না নমাজ শোন্দ্রিঙৈগী মমাংদা অচোৎপা খজূর খরগা ইফতার তৌরম্মী অতেকপা খজূর লৈত্রবদি অকংবা খজূরগা ইফতার তৌরম্মী। (তির্মিজী ২, হদীস ন: ৭৯) হজরত্ অব্দুল্লাহ ইব্নে উমর (র)গী হদীসনি, ''হুজূর (স্ব:) না ইফতার তৌরবা মতুংদা মখাগী দুআ অসি শোনবিরম্মী, ''জহবজ জম উ ৰবতল্লতিল উরূকু ৰসবতল অজরু ইনশা অল্লাহ''। অর্থ: অরাম-খৌরাং কোক্লে, শিংলী-নাউরী তেকখৎলে, অল্লাহনা মহয়সু পীনবিরনি। (অবূ দাৱূদ ৩, হদীস ন: ৭৬৫)

ইকাই খংদবা থবক খুদিংমক্তগী থাপ্না লৈফম থোকই হজূর (স্ব:)না হায়বিরম্মী মদুদি: ''হেক নখোয়না রোজা তৌরবদি ইকাই খংদবা থবক পুন্নমক থাদোকউ''। (বুখারী, হদীস ন: ১৯০৪) নবী (স্ব:) না হায়বিরম্মী, ''কনাগুম্বা অমনা ওইদবা ৱা ঙাংবা অমদি ফত্তবা থবক তৌবা থাদোক্তবা তারবদি মহাক্না চরা হেনবা (রোজা হেল্লিবা) অল্লাহগী মনাক্তা কান্নবা করিসু ফংলোই।'' (বুখারী, হদীস ন: ১০৯৩) রোজা হেল্লিবা মী খুদিংমক হরাম ওইবা পোৎ অমদি থবক খুদিংমক্তগী লাপ্না লৈফম থোকই। চীরোল চৎপা, ওইদবা ঙাংবা অমদি কান্নদবা ৱারেম থৌরেম খুদিংমক্তগী ঙাক্লা চৎকদবনি নত্রবদি রোজাগী সৱাব (মহয়) পুম্বা হায়রিবা পোৎশিং অমদি থবকশিং অসিনা মাংহনখিগনি। নবী করিম (স্ব:) না তাকপিরম্মী: ''রোজা হেনবা মী কয়ামরুমগী মহৈ অরাম্বা অমদি খৌরাংবা খাংবা নত্তনা অতৈ করিসু ফংদে''। (ইব্নে মাজহ, হদীস ন: ৫৩৯, সহীহুত্তরগীব ৪৫৩) রোজা হেল্লিবা মীদি য়ারিবমখৈ ফত্তবা মফমসিংদা (বাজার, নুপী অঙাংশিং মরাং কায়বা

মফম অসিনচিংবা) দা চংলোইদবনি''। নবী করিম (স্ব:) না হায়বিরম্মী, ''কনাগুম্বা মী অমনা রোজা হেল্লিবা মী অমদা খৎনবা হৌরে নম্রগা অকাম-অপেৎ ঙাংবা-শকপা তৌরে অদু ওইরবদি অসুন্না হায়খো ঐ রোজা হেল্লি, ঐ রোজা হেল্লি'' (বুখারী, ১৮৯৪)। হদীস অসিদা ঐ রোজা হেল্লি হায়না অনিরক হনবগী মরমদি অহানবগী অদুনা মশাবু রোজাদারনি হায়বা নিংশিংহল্লি অনিশুবা অদুগী মতেংনা খৎনবা হৌরিবা মী নম্রগা মচিন-মখা থীরিবা অদুদা খংহল্লি।

য়াম্না চাশিন-থকচিনবসু তৌরোইদবনি, নবী (স্ব:)না হায়বিরম্মী, ''আদমগী মচা-মশুশিংগীদমক হাম্পা য়াবা পাত্রশিংগী মনুংদা খাঙ্কদগী ফত্তবা পাত্রদি পুক্নি''। (তির্মিজী, ২৩৮০) ইব্নে অব্বাস (র:) গী হদীসনি: নবী (স্ব:) মী খুদিংমক্তগী পুকচেল চাওবা ওইরম্মী, হুজূর (স্ব:) অতোপ্পা মতমদগীসু রমজান থাদনা হেন্না পুকচেল চাওথোক্লম্মী জিবরীল (অ:) গা উনবা মিৎকুপ্তা, রমজানগী অহিং খুদিং হুজূর (স্ব:) গী মনাক্তা জিবরীল (অ:) লেংবিরক্লম্মী অমসুং হুজূর (স্ব:) না জিবরীল (অ:) দা কুরআন শরীফ শোল্লগা তাহল্লম্মী, নবী (স্ব:) দি লেপ্তনা শিৎপা নুংশিত্তগীসু হেন্না পুকচেল চাওরম্মী''। (বুখারী ৬)

মশামকসু রোজা হেনবা অমদি অতোপ্পশিংবু পীজ-পীথক তৌবনা জন্নত্তা চংবগী মরম অমা ওইহল্লি, অল্লাহগী নবী (স্ব:) না হায়বিরম্মী ''জনত্তা ফজরবা য়ুমশিং লৈ হায়রিবা য়ুমশিং অদুগী মপান থংবা শরুক অদু মনুংদগী য়েংবদা উবা ফংই অদুগা মনুং থংবা শরুক অদু মপান্দগী য়েংবদা উই, হায়রিবা য়ুমশিং অদু অতোপ্পবু পীজ-পীথক তৌরিবা, মথং-মনাও কাইদনা, লেপ্তনা রোজা তৌবা মীওইশিং অমসুং অচিকপা অহিংদা মীওইবনা অমোনবা ফমুংদা নুংঙাইনা তুমদুনা লৈবা মতমদা নমাজশিংবু শোল্লিবা মীওইশিংগীদমক অল্লাহনা থৌরাং তৌরি''। (তির্মিজী ১২১)



# কদরগী অহিং

তশেংবমক ঐনা থাখি কুরআনবু শক্তি লৈবা অহিংদা অমসুং করিনা করন্না খংহনগনি নংবু শক্তি লৈবা অহিং হায়বসি করিনো? শক্তি লৈবা অহিংদি ফবা হেল্লি থাবুম লিশিং অমদগী মদুদা কুমথরকই ফরিশতাসিং অমসুং ''রূহ'' মখোয়গী মপুগী ময়াথংনা থবক খুদিংমক মপুং ফানা শান্তিনি নোংঙান্দ্রিফাওবা। (কুরআন: ৩০)

সংসারসিদা লৈরিবা মীওইবা ঐখোয়সি অহিং অমদি নুংথিল অনিগী তাঙ্কক্তী মনুংদা মাগী মাগী মতম য়ৌদ্রিফাওবদি সংসারসিদা য়ারেকই। নাকল অমরোমদা য়েংলুরগদি নুংথিল অমদি অহিং অনিমকসু ঐখোয়গী কান্নবগীনি অমসুং মীওইবশিংনদি হিংনবগীদমক নুংথিল হায়রিবসিনা য়ুম্স্কন্না ওইরি অদুবু ৱাফমসিনা নুংথিলবু করিসু ওইদে হায়বদি নত্তে অদুবু অহিংশিংসিগী মনুংদগী অহিং অমদি অল্লাহনা য়াম্না মতিক মগুন লৈনা হেনগৎ থোয়গৎনা য়াওহনবী অহিং অদুদি শববে কদর হায়রিবদুনি। শববে কদর হায়বগী অর্থদি কদরগী অহিং হায়বনি অদুগা কদর হায়বসিনা মতিক মগুন নত্রগা শক্তি হায়বনি। মসিগী মতাংদা অবুবকর বররাক্না অসুন্না হায় মীওইবশিংনা শববে কদরসিগী মাংওইননা মপূনা পামদবা থবক কয়াসু পংতৌদমক তৌনবদগী করিসু মতিক-মগুণ লৈবা হায়বদু পংওই ওইরমদে অদুবু শববে কদরগী অহিং অসিদদি মীওইবশিংনা মাগী মাগী ঙল্লীবমখৈ তৌবাহ অমদি ইসতিগফার তৌজবদগী য়াম্না মতিক মগুন চেল্লবা অমা ওইরকই। মসিগী মরম্না কদরগী অহিং (গুনগী অহিং) হাইরিবনি লোইননা শক্তিগী অহিং হাইবগী মরমদি অহিংসিদা অল্লাহনা মহাক্কী মতিক মগুন লৈরবা কুরআনসু লৌহি

মহফুজতগী থাবীবা হৌরকখি। হায়রিবা লাইরিকশিং মরু ওইনা সংসারশিদা লৈরিবা মীওইবশিংগী অচুম্বা লমজিংগীদমক্তনি। লোইননা অহিং অসি অল্লাহ তআলানা য়াম্না চিংলেম্বা ওইহনবি। করিগুম্বা শান্তিগী অহিং অসিদা থম্মোয়দা লুম্না থৱায় হকচাং য়াওনা অফবা থবক হায়বদি কুরআনগী তিলাৱৎ তৌবা, তসবীহ তহলীল তৌবা, দরুদ শরীফ শোন্বা, নফল নমাজনচিংবা শোন্বা অমদি দুআ তৌদুনা লৈবা তারবদি অহিংদুদা পীনবিবা রহমৎ বরকৎশিং ফংবা ঙমগনি লোইননা অহিংসিদা জিবরঈল (অ:) ফরিশতাশিংগী গুণ অমগা লোইননা রমজান অমদগী অমফাওবা মীওইবশিংনা তৌগদবা থবক-থৌরমশিং শিনবি লাংবীনবগীদমক লৈমায়থক্তা কুমথবীরকই লোইননা হজরত অনস (র:) না হুজুর (স্ব:)গী সনা য়াথং পাউদমলি। রসুল ইবুংঙো (স্ব:)না হায়: হজরত জিবরইল (অ:) ফরিশতাশিংগী গ্রুপ অমগা লোইননা জমীন্দা লাকই অমসুং লেপ্পা-লেপ্পা অমদি ফন্না-ফন্না অল্লাহগী জিকরদা লেল্লিবা মীওইশিংবু উরগা মখোয়শিংগীদমক্তা রহমৎ বরকৎকী দুআ তৌবি। মতাং অমদসু হুজুর (স্ব:) না হায়: ৱাখল লৈনা থাজবগা লোইননা শবে কদরদা নফল নমাজ শোল্লবদি মাগী হৌখিবদা লংজখিবা পাপশিং কোকথোকপি অদুবু অহিং অসিদা তৌবা য়াবা অফবা থবকশিং তৌহৌদ্রবদি মীওই অদুগী রহমত বরকৎশিং মাংজরবনি। অদুবু কদরগী অহিং করম্বনো হায়বদি খণ্ডদে অদুবু রিৱায়ৎশিংদগী খরদি খংবা ঙমই। হজরত সমত (র) না হায়: ঐখোয়গী ইরক্তা হুজুর (স্ব) কদরগী অহিংগী তাকপিনবগীদমক লেংথোকপিরক্লম্মী অদুবু তানজা অদুদা মুসলমান অনিখক লৌতুনবা হৌনরকখি। হুজুর (স্ব:) না হায়:- তশেংনা ঐ নখোয়দা কদরগী অহিংগী মতাংদা খরা হায়গে খন্না থোক্লকখিবনি অদুবু অমনা অমদা লৌতুনবা অদুগী মরমদগী অকক্লবা মতম অমদি তারিখ থাঙ্গৎপীখ্রে। অদুবু শবে কদর অসিবু থীনবগী য়াথংদি পীবীরি, মরমদি অহিং অসিদা ঙমজরিবা মখৈ ইবাদৎ তৌবা অমসুং সৱাব ফংবা য়াবগী মতিক চাবা বন্দা ওইহৌননবা হোৎনবনি লোইননা অহিং অসি রমজানগী লোইশল্লমদাই নুমীৎ তরানি অদুগী তুমা সুদবা ২১,২৩,২৫,২৭,২৯, নি পান্না অসিদা পান্নে অদুবু তুমা সুদবা অহিং অসিদগীসু ২৭ নি পান্না অসিনা হেন্না মরী মখোং শেংই হাইনা থাজনৈ। লোইননা রমজানগী লোইশিল্লকপা তরানি অসিদদি হেন্দোক থোইদোক্লা হৌখ্রিবা নুমীৎ কুন্নি অদুদগীসু ইবাদৎ তৌবদা মতম চুপ্পা হুজুর (স্ব)না লেল্লমই। অসুন্না হজরত আইশানসু অসুন্না হায়: হুজুর (স্ব) না রমজানগী লোইশিল্লমদাই নুমীৎ তরানি অসিদদি ইবাদৎ তৌজবা মমাংদা হৌখ্রিবা নুমীৎ কুন্নি অসিদগীসু হেন্না কল্লমই। মরমদি অহিং অসিগী মরমদা মথক্তা অয়াতকি অর্থদা পনখ্রে। অহিং অসি থাবুম লিশিং অমদগী হেন্না ফৈ হায়বা হায়বদি অহিং অসিদা তৌজবা অফবা অমল চহী লিশিং ৮৩ চুপ্পা তৌবদা ফংবা সৱাব অদুগুন্না ফংগনি হায়বনি।

**রমজান অসি কুরআনবু থাবিরকখিবা থা অদুনি মীওইবশিংগী লমজীং ওইনা খুদম পান্দমগা অমসুং অচুম্বা বিচারগা লোয়ননা।**

**(কুরআন - ২:১৮৫)**

# ঐনা ইসলামদা করিগী চংলক্লি

## (মাইকল জোজেফ)

— মণিপুরীদা হন্দোকপা
**মৌলানা অব্দুল হমিদ**

লন্দন্দা পাংথোকখিবা ইন্টরনেশনল কনফেরেন্স ওফ রেলিজন্স অমদা শরুক য়ারুনবা চৎলম্মী। কনফেরেন্স অদুদা ঐনা ইসপেশিয়ল ইনভাইতি ওইনা বার্ত্তন ফংজখি। ৱাঙাংলোয়শিংগী মনুংদা ঐবু থোয়দোক-হেন্দোক্লা শিংথানবিরম্মী। ঐনা য়ান্না নুংঙাইখিবনা কনফেরেন্স অদুদা ঐবু থোয়দোক-হেন্দোক্লা ব্যাভারগা লোয়ননা কৌবিরকখিবদুনি। হায়রিবা কনফেরেন্স অদু ব্রিটেনগী শক্লাইরবা খৃস্টানিতি চৎপা মীওই খরনা শিল-লাংখিবনি। হায়রিবা কনফেরেন্স অদু ধর্ম্ম পুন্নমক্কী ওইজরবসু ব্রিটেনগী খৃস্টান পুন্নমক্লা হায়রিবা কনফেরেন্স অদুগী Platform দগী খৃস্টান ধর্ম্ম শন্দোক্লবা লাল্লোং অমা তৌবনি। মখোয়না খঞ্জবদা হায়রিবা Platform অসিদগী সংসার মশা পুম্বদা খৃস্টানিতিনা খাঙ্কিদগী অশেংবা ধর্ম্মনি হায়না থাজনখ্রগনি। ধর্ম্ম অসি য়াবা মসিনা খাঙ্কিদগী য়াম্মী, অতোপ্পা ধর্ম্ম চৎলিবা মীওইগা য়েংনরুরবদি মখোয়দি খজিক্তনি। হায়রিবা কনফেরেন্স অসিগীদমক মাই পাক্লনবা য়ান্না কন্না হোৎনবগা লোয়ননা পৃথিবী পুম্বদা লৈরিবা শক্লাইরবা ৱাঙাংলোয় কয়া বার্ত্তোন তৌরম্মী। অরোনবা Policy অমগী মখাদা অতোপ্পা ধর্ম্মগী খৃস্টান মখৈগা ঙাংনবদা মতিক চাবা প্রমাণ পীবা ঙমখিদবা অমদি খৃস্টানশিংগী মাংদা খূৎলাই থাদখ্রবশিংসু বার্ত্তোন হায়রম্মী। কনফেরেন্স অদুদা য়াওবিনবগীদমক য়ুরোপকী মীওই কয়াসু বার্ত্তোন তৌরম্মী। মসিগী অচৌবা মরমদি ব্রিটেনদা মুস্লিমনা নোংম-নোংমগী ঈশিং ইচাওগুম হেনগৎলক্লিবা অসি থিংজিনবা অমদি খৃস্টানিতি চৎপা মীওইশিংনা শান্তি ফংজনবা অমদি মখোয়না চৎলিবা ধর্ম্ম অসিনা অশেংবনি হায়না।

ৱাঙাংলোয়শিংদা হান্ননা মখোয়গী Topic শিন্দোক্তুনা থমখ্রবনি, সংসারদা লৈরিবা ধর্ম্ম পুন্নমক অসিগী মায়োক্তা ইহৌ অমা লাক্লবা অমসুং খৃস্টানিতিখক্তনা অনিশুবা মপোক্তা য়াইফবা ওইরুনবা ধর্ম্মনি হায়না খন্নবা। খৃস্টানিতিগী মায়কৈদগী ঙাংগদৌরিবা ভক্তশিং অদুনা ইস্লাম ধর্ম্ম য়াবশিংনসু লান্না লৌদনবা মওংদা, ইসলাম ধর্ম্মদা লান্দাবা অমসুং ইসলাম ধর্ম্মদি মিৎয়েং খুবা ধর্ম্মনি, ঙসিগী সংসার অসিগা মরি লৈনবা ধর্ম্ম নত্তে, মসিদি অরবকী খুঙ্গংদা লৈবা অকক্লবা পুন্সি মরেল লেনবা, লাইরবা অমদি লাইরিক হৈতবা কাংবুগী ধর্ম্মনি হায়না ঙাংনবা হোৎনরম্মী। মুসলমান ওল্লবা মতুংদসু অরব মচাশিংদি হাৎন-শুনদুনা লৈ। ইসলাম ধর্ম্ম শন্দোক্লম্বা মী অদুনা (মুহম্মদ স্বঃ) লৈখিদ্রবা মতুংদদি অরবকী অপুনবা শক্তমদু চাইখ্রে, তৌইগুম্বসুং খৃস্টানিতিগী অপুনবা শক্তমদি লেংদনা লৈ। সংসারদা লৈরিবা খৃস্টান পুনশিন্দুনা খাঙ্কিদগী চাওবা অকনবনি হায়বসি উৎখ্রবনি। অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি ফোংদোক্লবগীদমক শিল্লি লাংলিবশিংনা ৱা ঙাংগদৌরিবা খৃস্টানশিংদা মচাক পুন্নমক থাখ্রবনি, মরমদি মখোয়না শিল্লিবা অদুমক মীয়ামদা ঙাংনবগীদমক। ঐঙোন্দা পীবিরকখিবা Topic অদুগী মতুং ইন্না মীয়াম পুন্নমকপু ইস্লাম ধর্ম্মদি আতঙ্কৱাদিগী (Terrorist কী) ধর্ম্ম ওইরে, মরম অসিনা সংসার অসি মসিগী মথৌ তাদ্রে হায়না মীয়ামদা পাওজেল পীগদবা Topic ওইরম্মী।

মীয়াম অসিবু তুকচ্চবা অৱাবদগী কন্নবগীদমক 'ঈসা মসীহ' গী কনাগুম্বনা নংগী নমাইদা খুপাক্লা থারক্লবদি অতোপ্পা নাকলদুসু থাবিয়ু হায়বা ৱাফম অসি মীয়াম পুম্বদা য়ৌহনবা হায়বসিনা ওইগনি।

কনফেরেন্সগী অহৌবা ধর্ম্মগী লাইরিক শোনবা (পাবা) ওইরম্মী। মদুগী মতুংদা ৱাঙাংবা হৌরম্মী। Topic কয়াদা ঙাংবিরিবা মীওইশিংনা মাগী মাগী

ꯔꯥꯈꯜꯂꯣꯟ ফোংদোক্লুরম্মী। ইস্লামগী লৈবাকশিংগী উলমা কয়ামরুমসু বার্তোন তৌরম্মী। অদুবু হায়রিবা উলমাশিং অসিনা মখোয়না ঙাংলিবা Topic শিং অদুদা থোয়না মাই পাকপা উৎপা ঙম্লমদে। মরমদি মখোয়না হান্নমা মুস্লিম উলমাগী মথক্তা খৃস্টানগী পাদরীশিংগী Speech না নমদুনা চৎখিনবা শেমদুনা থমখ্রবনি। করিসু লৈত্রবা পাদরীশিং অদুগী Speech অদুনা মুস্লিম উলমাশিংগী ৱারোল অদু নমদুনা চৎলবদুদদি ঐ য়াম্না হরাওরম্মী। অদুগা অমুক্কসু ঐগী ৱারোল লোয়নমক্তগীসু অথোয়বনি তোপ-তোপ্পনি। ঐঙোন্দা পীবিরিবা Topic অদুসু ঈ শাগৎহনবা ওইনা তৌই। মদুদা ঐনা খজ্জরম্মী, ঐগী মওং-মতৌ মতুং ইন্না ঐনা Stage দা কাখত্তুনা ঙাংথরকপা মতমদদি মীয়াম পুন্নমক লাও খোংনরক্কনি, মদুদা শোয়দনা মুসলমান পুম্বা ফম-ফম থাদোক্লরল্লগা মপান থোকচখ্রগদবা পোৎনি অদুগা পৈশানা ইশিং চেলহনবগুম খর্চ তৌদুনা International Conference of Religions পাংথোকপগী কান্নবদু অদুম ফংজরি। ঐগী তকরীর (Speech), ঐনা ঙাংবা অসি মাইকৈ মরি থুংনা খংনরম্মী মরম অদুনা মীয়াম পুন্নমক য়াম্না খৌরাংনা ঙায়নরম্মী, মরমদি ইস্লাম ধর্ম্ম অসি মৈরৌ কনবা ধর্ম্মনি অমসুং সংসার মশা পুম্বদা জিহাদ তৌবা পাম্বা ধর্ম্মনি হায়বসি ঐনা মরিক চুন্না প্রামাণগা লোয়ননা উৎপা পাল্লম্মী। ৱানা ঙায়নরক্লবা কায়নথংদা হুন্নি শুবা নুমিৎকী নুমিদাং ৱাইরম পুং ৬ তাবদা ৱাঙাংনবগীদমক ঐগী মিং পাদরী মাইকল জোজেফ হায়না কৌশিল্লক্লম্মী। Conference অদুদা শরুক য়ারিবা মীওই অমফাওবা হরাওবা ফোংদোক্তনা অমদি খুবাক খুদনা লৈবা য়াওরম্লোয়। ঐবু ৱা ঙাংবগী মতমসু য়াম্না শাংনা পীরম্মী। ঐনা ঙাংবা হৌজরকপদা শান্তি পাম্বগী ৱাফম থমজরম্মী অদুগী মতুংদা অতোপ-অতোপ্পা ধর্ম্মশিংদা তাইশিন্নরগা খৃস্টান ধর্ম্মনা ধর্ম্ম পুন্নমক্তগী অথোইবনি হায়না তকশিল্লম্মী। মদুদগী তপ্না-তপ্না ঐগী ৱাফম অদু ইসলাম ধর্ম্মরোমদা ওনশিনবা হৌরম্মী। খুদক্তা হেক্তা ইসলামদা লান্দাবদি নুংঙাইতদুনা ঐনা অহানবা ইসলামবু থাগৎলম্মী, অদুগী মতুংদদি ইস্লাম ধর্ম্ম অসি ধর্ম্ম নত্তে হায়রম্মী (হায়বদি অল্লাহনা থারকখিবা ধর্ম্ম নত্তে) ঐনা খৃস্টান ধর্ম্মসি অহিংবা ধর্ম্মনি অদুগা মসিদা হোংদোক-হোংজিন লৈরিবা অশোয়বা অসিবুনা মতমগী মতুং ইন্না তৌদবা য়াদবা অফবা খোংথাংনি হায়না শিংথারম্মী। মরমদি পুন্সি অসি অহোংবা নাই, মীওইবগী গুণ হোংদোক-হোংজিন তৌই, মরম অসিনা পাদরীশিংনা বাইবলবুসু হোংদোক-হোংজিন তৌবনি, মসিগী মতাংদা ঐনা হায় ইসলাম ধর্ম্ম অসি লেংদবা ধর্ম্মনি ফমজিন্দুনা লৈবনি। হান্না লৈরকপা মওংদু কাইদনা অদুম লৈ মরম অসিনা সংসারদা লৈরিবা মুসলমান পুন্নমক অরিবা ৱাখল্লোন পাম্বা কাংবুনি। মখোয়দি অনৌবা পোৎ শিজিন্নবদা কিবা কাংবুনি। নুপীনা পর্দা তৌই। ধর্ম্মগী মহৈ তম্বনা মশাগী লন্নি খল্লি মরম অসিনা মখোয়গী ৱাখল অসি খৃস্টানিতিগা য়েংনবদা নেম্মী। ৱাখল্লোন ওইনা য়েংবদা ঐনা খৃস্টানিতি চৎপশিংদি অহিংবা জাতিনি হায়রম্মী। ঐনা ঙাংলিঙৈ মরক অদুদা থাগৎপীবা কয়া য়াওরকখি, মদুদা ঐ থোয়দোক্লা হরাওবা পোক্লম্মী। ঐনা মীয়াম পুন্নমক ঐগী খুত্তা লৈরে খল্লম্মী। তৌইগুম্বসুং খৃস্টানিতিগী মরমদা ঐগী অরোইবা Speech নি। অদুগা য়াম্না থুনা অল্লাহগী মাইকৈদগী হিদায়ৎ ফংলগনি অমসুং ঐহাক মুসলমান ওল্লগনি হায়বদি খংলুদে।

ৱাফমদু ঐনা ঙাংলবগী তুংদা মিসর (ইজিপ) তা লৈবা জামিআ অল অজহরদগী লাকপা জমাল অব্দুস সমী কৌবা আলিম অমনা ইসলাম অমসুং খৃস্টানিতি হায়বা Topic অসিদা থম্মোয় হুবা অঙকপা ঐগী ৱারোল অমা তৌরকপা ঐনা তাজরম্মী। মহাক্না কনাবুসু হুন্দনা মহাক্না ধর্ম্ম অনিগী (ইসলাম অমদি খৃস্টানিতি) থাজবদু শন্দোক্লা তাক্লম্মী। মদুদা তারিবা পুন্নমক্না অরানবা করম্বনো হায়বা ময়েক শেংনা খঙনরম্মী। ঐনা মীয়ামদা নমথাক তৌরদুনা ইসলামগী মতাংদা হায়খিবা মখৈ অদুদা ইকাইজরক্লম্মী, অদুগা জমাল অব্দুস সমীগী শাংলবা ভাশন অদুদদি খৃস্টানিতিগী থম্মোয় শোকপা ৱাহৈ অমফাওবা য়াওখিদে। মহাক্না কুরআনগী ৱাফম পল্লদুনা ঈসা অলৈহিস সলাম্বু অল্লাহ তআলাগী পৈগম্বর (রসূল) হায়না সাবিত তৌরম্মী অমসুং মঙোন্দা লংজবা কুফরনি

হায়রন্মী। অদুগা খৃস্টান মখৈদি অরোইবা নবী মুহন্মদ (স্ব:) গী মতাংদা বদনাম তৌই। মথোং চাদবা ৰাহৈ শিজিন্নৈ, মহাক্কী কার্তুন শাদুনা থম্মোয় শোকপা ৰাহৈ ইদুনা মুসলমানশিংদা অৰাবা পী, মতৌ অসুন্না ঈসা অলৈহিস্সলান্না তন্বীবা পুন্নমক অদু খোঙ্গাওনৈ।

মুস্লিম ৰাঙাংলোয় অদুনা ইসলাম অসি মপুং ফারবা অৰাৎপা লৈত্রবা থৌরাং অমনি হায়দুনা খুদম কয়া পিরন্মী অমসুং পৃথীবিদা লৈরিবা নেশন পুন্নমক অসিদা থোক্লিবা ৰাথোক খুদিংমক ইস্লামগী পাওতাক মতুং ইন্না লোয়শিনবা য়াদবা অমত্তা লৈতে হায়না তাকপিরন্মী। ইস্লামদি অকক্লবা মফম খরগী ধর্ম্ম নত্তে তৌইগুম্বসুং, সংসার লৈমায়থক অসিদা কয়ামৎ, সংসার অসিনা লোয়বা তানবা ফাওবদা লাক্কদৌরিবা মীওই পুন্নমক্কী ধর্ম্মনি।

আতঙ্কৰাদ্বিগী মতাংদা জমাল অব্দুস সমীনা য়ান্না থম্মোয় শোক্লা হায়রকই, মসিদি Modern Propaganda গী অনৌবা লাল্লোংনি, মসি সংসারশিদা শন্দোরক্লিবা ইস্লাম ধর্ম্ম অসিবু থিংবা ঙন্নবা তৌরকপনি। মহাক্লা আতঙ্কৰাদি অসি ইস্লাম য়াদবা কাংবুনা পুথোকপনি হায়রন্মী। বোম্ব পোকখাইবগী মতাংদা মহাক্লা করিসু মরি লৈনদে হায়রন্মী। মহাক্লা সংসারদা লৈরিবা ধর্ম্ম পুন্নমকপু চৎলিবা মীওইশিংদা অপিল তৌরদুনা হায়রন্মী ইস্লান্না পীরিবা শান্তিগী মেসেজ অসি খংবিয়ু অমসুং জিহাদকী অর্থসু খংবিয়ু। জিহাদকী অর্থদি মরাল লৈতবা মী হাৎপবু নত্তে, মহাক্কী অর্থদি মরাল লৈতবা মী হাৎপবু থিংবদা পাঙ্গল থৌনা পুম্বা শিজিন্নববুনি।

মুসলমান আলিমে দীন অদুগী ৰারোলদা করম্বা জাদু য়াওখ্রবনো খংদে ঐগী থম্মোয়গী সংসার পুমওন ওনখ্রে। অদুদগীদি ঐনা কনফেরেন্স অদুদা লেংবিরকখিবা উলমা মখে অমসুং থোয়দোক-হেন্দোকপা মীওইশিং অদুগা উনরন্মী। কনফেরেন্সগী অরোইবা নুমিত্তা থোক্লকপা ৰারোইশিন ওইনা মুসলমান Speaker শিংনা সংসারদা পীরিবা শান্তিগী মেসেজ অসি পৃথীবি শিনবা থুংনা য়ৌহনবা তঙায় ফদে হায়বসি ওইরন্মী। কনফেরেন্স লোয়রবা মতুংদদি খবরদা মুসলমান ওন্নরকপগী ৰাফম কয়া য়াওরক্লন্মী, খৃস্টান শেন্নবগীদমক তৌখিবা কনফেরেন্স অদুদি খৃস্টান মখে মুসলমান ওলহন্নবা তৌবা কনফেরেন্স তাখ্রে। মুসলমান ওনখ্রিবশিং অদুগী মনুংদা ঐগী মিংসু অমনি। মুসলমান ওন্নরক্লিবা মীয়াম অদুগী অপুনবা মিতিং অমদা ঐগী মিং ফৌজান অহমদ থোনবিরন্মী। অলহমদুলিল্লাহ ঐ ঙসিসু মিং অসিদা অসুম মীয়ান্না খঙনরি। (নৈ দুনিয়া ২৬ july to ১ Aug. ২০১০)

**নখোয়না ঐবু (অল্লাহ) থিরকপা মতমদা ঐদি নখোয়গা নক্লনা লৈ, ঐনা তাই নখোয়না ওনশিল্লকপা অমদি হায়জরকপা মতমদা মরম অদুনা মখোয়না থাজসনু ঐবু, মখোয়গী অচুম্বা লম্বী ফংনবা।** (কুরআন - ২:১৮৭)

# বাইবলদা প্রোফেৎ মুহম্মদ

## সল্লল্লাহু অলৈহি ৱসল্লম

— মুহম্মদ শাহ

"নং হায়্যু! করিগুম্বা মসি (কুরআন) অল্লাহগী মায়কৈদগী ওইরবা অমসুং নখোয়না মসিবু য়াদ্রবা অমসুং বনী ইসরাঈল গী কাঙলুপ অমনা শাক্ষিসু পিখ্রবা লোয়ননা ঈমানসু পুরকখ্রবা মসিফাওবদা নখোয়না লম হেল্লবদি তশেংনা অল্লাহদি লম হেনবশিংবু লমজিংবিদে।" (কুরআন - ৪৬:১০)

বাইবল জিউ অমদি খৃস্টিয়ানশিংগী ধর্ম্মগী ওইবা লাইরিক্নি। মসিদা "ওল্ড" অমদি "নিউ" টেস্টামেন্ট অনিগী অপুনবনি।য়ান্না ঙক্লিবদি মীওইবনা খূৎ চঙদুনা বাইবলগী শরুক অনিমক্কী মওং কায়হনখ্রবসু অল্লাহ পাক্কী অরোয়বা পাউজেল্লোই মুহম্মদ (স্ব:) তাইবঙপান্দা ফোঙলক্কনি হায়না তাকথোকপা ৱারোল কয়া য়াওরিবা অসিনি। ওল্ড টেস্টামেন্টকী অহানবা লাইরিক মঙা (তোরাহ) নত্রগা Pentateuch হায়না খঙহন্দুনা ধর্ম্ম অনিমক্কা শিজিন্নরিবা অসিগী অরোয়বা ডিউতোরোনোমিদা প্রোফেত্ মুহম্মদ (স্ব:) লেংলক্কনি তাকপিবা পাও খরা নৈনজরি।

অহানবদা, অল্লাহ পাক্না হজরত্ মূসা (মোজেজ) (অ:) দা পিবিখিবা পাউজেল "ঐনা মখোয়গীদমক মচিন-মনাও (Brethern) শিংগী মরক্তগী নংগুম্বা ঐগী ৱা তাকথোকপা প্রোফেৎ অমা থোকহনবিগনি, অমসুং ঐ ৱাহৈশিং মহাক্কী মচিন্দা লৌহনবিগনি, অমসুং ঐনা মঙোন্দা পীবা য়াথং পুন্নমক মানা ঙাংগনি।" (Deuteronomy- 18:18)

মফম অসিদা পল্লিবা প্রোফেৎ অসি কনা ওইরিবনো হায়বদু য়েংশি। খৃস্টানশিংনদি প্রোফেত্ অসি মরয়মগী মচানুপা ঈসা (জিজস্) (অ:) বুনি হায়রি। (Act - 3:22) অদুবু মমিংদি পল্লমদবা প্রোফেৎ অসি মফমসিদা "নংগুম্বা" হায়বদি মূসা (অ:) গা মান্নবা হায়বনি। মুসা (অ:) অমদি ঈসা (অ:) অনিমক্কী মরক্তা মান্নবা হায়বনি। মূসা (অ:) অমদি ঈসা (অ:) অনিমক্কী মরক্তা মান্নবা থিগৎলবদি অনিমক অল্লাহগী পাউজেল্লোইশিং অমদি মখোয় অনিমক ইসরাঈলগী ইমুং মনুংদগীনি। অদুবু মান্নবা অনি অসিখক্তা প্রোফেৎ অমগী লাইফাও (Prophecy) অমগী ৱারেপ পথাপ ওইরবদি ইসরাঈলগী হজরৎ মূসা (অ:) গী মতুংদা লাকখিবা বাইবলগী প্রোফেৎশিং সোলোমোন (অ:), ইজেকৈল, দানিয়ল, হোশিঅ, মলাচি, জকরিয়্যা (অ:) নচিংবনা হেন্না মতিক চায় মরমদি মখোয়গা মূসা (অ:) গা মান্নবা হিরম অনিদগীসু হেল্লি। অমরোমদা হায়রিবা প্রোফেৎ অসিদি ইসরাঈলগী ধারদগী নত্তে মরমদি মহাক অদু মখোয়গী মচিল-মনাও (Brothern) শিংগী মরক্তগীনি। মখোয়গী মচিন-মনাওদি ইব্রাহীম (অ;) গী মচানুপা অহল হজরত্ ইস্মাঈল (অ:) গী ধারদগীনি। হজরৎ মুহম্মদ (স:) ইসরাঈল (অ:) ধারনি। অ ম ু ক খৃস্টানশিংনা থাজরিবা মত মতুং ইন্না য়েংবদা মূসা (অ:) অমদি ঈসা (অ:) মান্নদবনা হেল্লি মদুদি:- (১) ঈসা (অ:) ইশ্বরনি হায়না খল্লি অদুগা মূসা (অ:) দি নত্তে। (২) ঈসা (অ:) মীওইবগী পাপকিদমক থৱায় কৎখি অদুগা মূসা (অ:) দি পাপকিদমক থৱায় কথোকপা মথৌ তাখিদে। (৩) ঈসা (অ:) অহিং অহুম নুংথিল অহুমগীদমক নরক্তা চৎখিরম্মী অদুগা মূসা (অ:) দি

নরক্তা চংলুবগী দরকার ওইখিদে। (৪) ঈসা (অ:) বু য়েকনবশিংনা ক্রোসতা পাং তিংদুনা হাৎখি অদুবু মূসা (অ:) বু পাং তিংদুনা হাৎপগী মথৌ তাখিদে। (৫) ঈসা (অ:) অঙকপা মওংদা পোকপনি অদুবু মূসা (অ:) দি মহৌশাগী নিয়ম কায়দনা পোকপনি।

ৱাফমশিং অসিনা ঐখোয়দা চীংননিংঙাই লৈহন্দনা তাক্লে মদুদি ডিউতোরোনোমি ফোংদোক্লক্লিবা প্রোফেৎ অসি ঈসা (অ:) নত্তে। অদু ওইরবদি হজরৎ মূসা (অ:) অমদি হজরৎ মুহম্মদ (অ:) অনি অসি মান্নব্রা হায়বদু অমুক য়েংলশি:- (ক) হজরৎ মূসা (অ:) গী মপা-মমা অনিমক লৈরম্মী, হজরৎ মুহম্মদ (অ:) গীসু মপা-মমা অনিমক লৈরম্মী। (খ) হজরৎ মূসা (অ:) অমসুং হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:) মখোয়গী পুন্সিমতক্তদা মখোয় মখোয়গী মীশিংনা প্রোফেৎনি হায়না য়ানখি। ঈসা (অ:) চহী ২০০০ গী মতুং ফাওবদা মাগী মীশিং হায়বদি য়হূদীশিংনা য়াদ্রি। (গ) মিংগী অহৌবা ময়েকশিংসু মান্নবা হজরৎ মূসা (অ:) অমদি হজরত্ মুহম্মদ (অ:) অনিমক সমাজ অমদি জাতিগী লুচিংবা ওইরম্মী। (ঘ) হজরৎ মূসা (অ:) অমদি হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:) অনিমক্না মাগী মাগী তুংইনবশিংগী অনৌবা আইন (জসত্ত) পুরকখি অমদি মদুগী মতুংইন্না শাসন তৌরম্মী। (ঙ) হজরৎ মূসা (অ:) অমসুং হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:) অনিমক মীওইবগী হৌনবী কায়দনা তাইবঙপান থাদোকখি অমদি লৈবাক মনুংদা য়াতারি।

হজরৎ মূসা (অ:) অমদি হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:) অনিগী মরক্তা মান্নবা মশিং থিঙমদনা লৈখ্রে অদুগা ৱাফম মঙা অসিখক্লসু ডিউতোরোনোমি ১৮/১৮ দা তাক্লক্লিবা প্রোফেৎ অসি হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:)নি হায়বদা মত অনি শুনিঙাই ওইদে। (Reference: The Choice Islam & Christianity) Sheikh Ahmed Deedat)

## Answer to KIDZ Islamic Quiz – 4 (ISSUE - 9)



A - Emaan

What is the world angel in Arabic mean?
**Malak**




B - Qur'aan

For whom was the Qur'an revealed?
**Mankind and Jinn**



C - Hadeeth

Where was the Prophet (PBUH) buried?
**In Hazarat Aishah's (R.A.) room.**



D - History

What ended the Abbassid caliphate?
**The destruction of Baghdad by the Mongols.**

### Winner of the Mangaal issue - 9

**Miss. Salima D/O Md. Musa**
Mayang Imphal, Bengoon Makha.

Kindly collect your Gift from IRDC, Babupara, Imphal



# উমরহগী নিয়ম

মুহম্মদ নজীব সমভলী কাসমী
মণিপুরীদা-
— মৌলানা শব্বীর অহমদ

**তলবিয়হঃ**

লব্বৈক অল্লাহুম্ম লব্বৈক, লব্বৈক লা শরী ক ল ক
লব্বৈক, ইন্নল হম দ বন্নিঅম ত ল ক বল মুল্ক

**উমরহদা থবক মরি তৌগদবনিঃ**

(১) মীকাত্তগী ইহরাম শেৎপা
(২) মসজিদে হরাম য়ৌরগা তৱাফ পাংথোকপা
(৩) সফা মরৱাদা চেনবা
(৪) কোক্কী শমশিং কোকথোকপা

**(১) ইহরামঃ-** মীকাত (ইহরাম শেৎফম) য়ৌদ্রিঙৈদা ইরুজবা নত্রগা ৱাজূ তৌরগা ইহরাম ফী (অঙৌবা অমা শেৎপা অঙৌবা অমা ইনবা) অদুগা নফল রকঅৎ অনি শোনগনি অদুগা উমরহগী নিয়ৎ তৌরগা চাং অমদা খোজ্জেল থোক্লা তলবিয়হ হায়গনি। তলবিয়হ হায়বগা ইহরাম হৌখ্রে- নুপীশিংগীদমক্তদি অকক্নবা ফীজোল লৈতে, ৱুজূ নত্রগা ইরুজবা লোয়রগা পর্দা ওইগদবা ফীজোল অমা হেক্তা শেৎকনি অদুবু মাইদা ফী কুপ্লোয়দবনি। অদুগা নিয়ৎ তৌরগা তলবিয়হ তপ্না হায়গনি।

**নুপী অমসুং নুপাদা ইহরান্না থিংবা পোৎলমশিংঃ**

মনম নুংশিবা তৈবা, খূজিন নত্রগা শম ককপা, মাই কুপশিনবা, নুপা-নুপী ফমদিন্নবা নত্রগা ফমদিন্নবগা মরী লৈনবা থবকশিং খুদম ওইনা চুপ্পা অসিনচিংবা, শা, উচেক ফাবা অদুগা খোং ময়াইগী শরুক খুমজিনবা খোঙউপ তোংবা।

**নুপাশিংদা ইহরান্না থিংবা পোৎলমশিংঃ**

অতুবা ফী শেৎপা অমসুং কোক্তা টোপী উপ্পা নত্রগা ফীনা কুপ্পা।

**ইহরামগী ফিভমদা মকরূহ ওইবশিং**

হকচাংদগী অমোৎপা তৈথোকপা নত্রগা চামথোকপা, শম হাৎপা,সাবূন শিজিন্নবা, ইহরামগী ফীদা পিন্না ফাবা নত্রগা লং কীবা।

**খঙজিনগদবাঃ-**

(১) মসজিদে হরাম য়ৌবা ফাওবা খোজ্জেল থোক্লা তলবিয়হ হায়গনি মরমদি ইহরামগী ফিভমদা তলবিয়হদগী হেন্না ফবা জিকর অমফাওবা লৈতে। মক্কা য়ৌবদা ইশাগী পোৎচৈশিং অদু ইশা-ইশাগী লৈফমদা থল্লগা ৱাজূ নত্রগা ইরুজরগা উমরহগীদমক মসজিদে হরামগী মাইকৈদা চৎকনি।

(২) মসজিদ চংবগী দুআগা লোয়ননা য়েৎকী খোঙনা হান্না থাংজিল্লগা অমসুং য়ান্না চিং লেন্না মসজিদে হরামদা চংগনি। কঅবহবু অহানবা উবা মীৎকুপ্তা অল্লাহগী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং অমসুং গুণশিংবু থাগৎলগা নিজনিংবা দুআ অমা তৌগনি, অদুগা তৱাফ তৌফমদা হজরে অসবদ খিল্লিবা কঅবহ শরীফকী মমাং থংবা শরুক্তগী লাক্কনি, অদুগা উমরহগী তৱাফকীদমক নিয়ৎ তৌগনি। নুপাশিংনা ইহরামগী ইন্নফীবু য়েৎকী সেগ্রাক্তগী কোৎলগা ওইগী লেংজুমদা থাদ্গনি অদুগা হজরে অসবদকী মমাংদা খূৎ অনিমক্কী মতেংনা ইঙ্গিৎ তৌরগা বিসমিল্লাহ হায়গনি অমসুং কঅবহবু ওইরোম থংবা নাকন্দা থল্লগা তৱাফ তৌবা হৌগনি। তৱাফ তৌবা মতমদা মাংদা মীৎয়েং থমগনি। কঅবহগী মায়কৈদা থবাক নত্রগা নমগন্না ওনশিল্লোয়দবনি। নুপাশিংনা অহুল্লক কোইগনি (করিগুম্বা ঙল্লবদি) লেংজুমদু খরা নিক-হাইরগা, খরা থৌনা লৈনা খোঙকাপ খরা পিক্লা অমসুং খরা য়াংনা চৎকনি। কঅবহগী অহুমশুবা কাচিন অদুবু য়মানি হায়না খঙনৈ মফম অদু য়ৌবদা (করিগুম্বা ঙল্লবদি) খূৎ অনিমক নত্রগা য়েৎকী খূৎনা নাল্লমগনি ঙমদ্রবদি মাগী মায়কৈদা ইঙ্গিৎ তৌরগা চৎকনি। রুক্নে

য়মানি অমসুং হজরে অসবদকী মরক্তা দুআ অসি শোনগনি ''রব্বনা আতিনা ফিদ্দুনয়া হসনহ ৱ ফিল আখিরতি হসনহ ৱ কিনা অজাবন্নার'' অদুগা হজরে অসবদকী মমাংদা য়ৌবগা খূবাক্লা মাগী মাইকৈদা ওনশিনগনি অমসুং ''বিসমিল্লাহি অল্লাহু অকবর'' হায়গনি অদুগা খূবাকপু চুপকনি। হৌজিকফাওবদা চক্কর অমা মপুং ফারে, মখা তারকপদা মওং অসুন্না লেমহৌরিবা চক্কর তরুকপু লোইশিনগনি। তৱাফ লোইবগা তৱাফকী নমাজ রকঅৎ অনি মফম ফংলবদি মকামে ইবরাহীমদা শোনগনি নত্রবদি মসজিদকী মফম অমদা হেক্তা শোল্লগা জমজমগী ঈশিং থক্কনি অদুগা অমুক্কা হজরে অসবদকী মমাংদা লাক্লগা চুপকনি নত্রগা খূৎ অনিমক্লা ইঙ্গিৎ তৌগনি অদুগা মফম অদুদগী সফা চীংগী মাইকৈদা চৎকনি।

(৩) সঈ: সফা চীং য়ৌবদা হেন্না ফবদি ''ইন্নস সফা ৱল মরৱ ত মিন শআ ইরিল্লাহ'' চিন্না হায়গনি অদুগা মাই কিবলাদা ওল্লগা অল্লাহবু থাগৎকনি। দরূদ শরীফ শোল্লগা খূৎ থাঙ্গৎলগা পুক্লিং চঙনা দুআ তৌগনি অদুগী মতুংদা মরবা চীংগী মাইকৈদা চাং অমদা চৎকনি। অশংবা মচুগী য়ুম্বীশিংগী মরক্তা নুপাশিংনা খরা চেল্লপ তৌরগা চৎকনি মরৱহ চীং য়ৌরগা কিল্লাগী মাইকৈদা মাই ওল্লগা দুআ তৌগনি। মসি ফাওবদা অহানবা খোঙজেল মপুং ফারে অশুন্না মরৱহদগী সফা ফাওবা চেনগনি, মসিনা অনিশুবা খোঙজেলনি। সফা অমসুং মরৱহ য়ৌবা খুদিংগী দুআ তৌগনি। মওং অসুন্না তরেৎ শুবা চক্কর মরৱহদা লোইশিনগনি।

খঙজিনগদবা: তৱাফ লোইরবা মতুংদা করিগুম্বা সঈ তৌবদা থেংথখিবা তারবদি ঙাইহাক পন্থবদা করিসু অকায়বা লৈতে অদুগা সঈ তৌরিঙৈদা দুআসু শোনগনি করিগুম্বা ফারবদি মখাগী দুআ অসি শোনগনি, ''রব্বিগফির ৱরহম ইন্ন-ক অনতল অজীজুল অকরম''।

(৪) হলক নত্রগা কসর: সঈ তৌবা লোইরগা শম কোক্কনি নত্রগা ককথৎকনি। নুপাশিংগীদমক্তদি কোকপনা হেন্না ফৈ অদুগা নুপীশিংগী ওইনদি শমদোলদগী শম খরা নুপী মশামক্লা কক্কনি নত্রগা মহরম অমবু ককহনগনি।

খঙজিনগদবা: শম ককপদা নাকল অমনা তেনবা নাকল অমনা শাংবা তারবদি কুরবানী ৱাজিব (তৌদবা য়াদ্রবা) ওইগনি।

**হজরত অবু হুরৈরা (র.অ.)না পাওদমবিরি মদুদি অল্লাহগী রসুল স.অ.র. না হায়বিরম্মীঃ ''কনাগুম্বা অমা হু থক্কুনা হাৎচরবদি (শিজরবদি) হু অদুমক দোজখকী মৈকোলদা পিথক্কনি অমসুং কনাগুম্বনা মশাবু য়োৎকী খুৎলাই অমনা হাৎচরবদি দোজখক্কী মৈকোলদা য়োৎ অদুমক্লা মবুক্তা থিলহনদুনা অৱাবা পিগনি অমসুং মদুদা লোয়নাইদনা থমগনি''।**

**-(বুখারী - ৭:৬৭০)**



**ৱাহং-১ উন্মীনা মসঅলহ হায়বা য়াদে হায়, দীনগী লাইরিক পাবদা মসঅলহ খঙলগসু অতোপ্পা অমদা মসঅলহ হায়বা য়ারোইদ্রা? মঙালগী ৱাহং পাউখুমগী কলমদা অচুম্বা তাকপিরকউ।**

- Waiz Khan, Sangaiyumpham

পাউ: ইস্লামগা মরী লৈনবা ৱাফম অমা হায়বা অসি ইচম-চন্না খঙলিবা অদু পাউদম্বা অমা নত্রগা ওথোরিটী অমা ওইনা অতোপ্পশিংদা তাকপা অমা। উন্মী-চৎনরোলদা খঙদবা-না মসঅলহ হায়বদি খঙদবনা তাকপা অমদি উদবনা পাউদম্বা তাগনি। মসিবুনি উন্মীনা মসঅলহ হায়বা য়াদে হায়রিবা অসি। অদুগা চপ চানা, মরিক চুন্না খঙলবা পোৎ অমবু অতোপ্পদা তাকথোকপদা অকায়বা করিসু লৈতে। তাজ্ঞা অসিদা উন্মীনা ৱঅজ-নসীহতকা মরী লৈনবা ভাশন পীবা য়াদে অদুবু তব্লীগী জমাঅৎনা থল্লিবা ৱারম তরুব্বী মতাংদা অকাবিরশিংনা ফোংখ্রবা লাইরিকশিং অদুগী ঙমখৈ মনুংদা লৈরগা দীনগী দঅৱৎ পীবা য়াই ঙমখৈ অদুদগী লানথোকপা য়াদে মসিগী পাউখুম শৈখুল হদীস হজরৎ মৌলানা জকরিয়্যা (র) ইবিরি মদুদি তব্লীগ অমসুং ৱঅজগা খেন্নবা খঙদবদগী থোকপনি ৱঅজ হায়বসিদি আলিমমশিংগী থবক্নি। উন্মীগী থবক নত্তে অদুগা তব্লীগ হায়বদি পাউ থুংহনবা হায়বনি করিগুম্বা পাউ অমা কনাগুম্বা অমদা য়ৌহনবিখো হায়না থানবগীদমক আলিম ওইগদবনি হায়বা লৈতে মরমদি নিজামুস্কীন মর্কজনা ৱারম তরুক্তগী হেনবা য়াদে হায়বগী ঙমখৈ অমা থন্মী। (ফতাৱা রহীমিয়া ভো: ১, লমায়-৩৮২)

---

**ৱাহং-২ শম অমসুং কোইদা অমুবা মচু শঙবা য়াদে হায়রিবগী মরম করিনো? করম্বা মচু অমসুং করম করম্বা পোৎলমশিং য়াওবা মচু শঙবা য়াবগে অমসুং য়াদবগে?**

- Ahmed Ali

পাউ: কোই অমসুং শম্বু ঙাংলৈনবা মচু শঙবা হুজূরনা পাম্বীরম্মী । অমুবা মচু শংবা থিংবিরম্মী -(মুসলিম - ১৩৪৭) অমসুং মকরূহ তহরীমানি। মেহন্দী অমদি কুসুম মনানা শঙবা মুসতহবনি। (আলমগীর ভো: ৫; লমায়:৩৭, ফতহুল বারী ভো: ১০; লমায়:৪৩৫)

---

**ৱাহং-৩ ইরুজরবা মতুংদা বুজূগী দরকার লৈরিব্রা?**

- Ahmed Ali

পাউ: বুজূদদি মপান্থোংগী কয়াৎ খরা চাম্বনি অদুগা ইরুজবদনা হকচাং পুম্বা চামথোকপনি অদুনা ইরুজরবা মতুংদা বুজূগী ৱাহং লৈতে।

---

**ৱাহং-৪ Dr. Zakir Naik অসি কনানো, কদাইদগীনো অমদি মহাক্না লৌরিবা দায়ত্ব অসিনা করিনো?**

Moulana Shah Nawaz Qasmi, Lilong Mairenkhun

পাউ: Dr. Zakir Naik কী অশেংবা মমীং Zakir Abdul Karim Naik নি। ১৮/১০/১৯৬৫ দা বোম্বেদা পোকখি। মহাক অসি MBBS Doctor অমা ওইবতা নত্তনা পব্লিক ইস্পীকর অমা ওইনা Stage অমদি Television দা ভাশন পীবা লোয়নননা মসিদা ইস্লাম অমদি অতোপ্পা ধর্ম্মশিংবু চাংদম্নরগা নৈনবগী লমদা মমীং লৈরবা মীশক অমনি। হৌজিক-হৌজিক বোম্বেদা লৈবা সরকারগী মতেং লৌদবা Islamic Research Foundation (IRF) কী President নি। মহাক্না পীবা ভাশনদগী হান্না মশা-মশানা থাজরম্বা ধর্ম্মশিংবু থাদোক্লল্লগা ইস্লামদা চংজরকখিবা মী কয়া য়াওরে। মহাক ইস্লামিক মদরসা অমদগী থোক্লকপা মীয়ান্না য়ানরবা মুফতী অমদি নত্তে। হৌজিক ফাওবদি চহি-চহিগী ওইনা পাংথোকপা মীয়াম তিনবা কনফরেন্সনচিংবা থৌরম কয়াদা ভারতকী শরুাইরবা উলমা অমদি মুফতিয়ানে কিরাম্বু কৌরগা মখোয়গী পাওতাকশিংবু লৌনবা হোৎনজরিবা অমনি।